
Name of the book INEEN

A compilation of Manipuri poems

By- Oinam Nilkantha Singha



অকোঙবা : অইবা মশা

হক্‌পুম্বা : অইবগীনি

অহান্বা কোঙবা : জুন, ২৭, ১৯৯৩

মমল লুপা ২০'০০ (কুনতনি)

নম্ফম : মৈতৈ কামখ্যা প্রিন্টিং প্রেস, রংপুর, শিলচর।

হায়জনিংবা খরদং

পীকথ্রবা অমদি উতাই-বাতাই চাব্রবা রাহৈ খরনা নংদব-মথৈ পংই ইশল্লগা "ইনিন" মীংথোনদুনা-পুথোকচবা তপা তপারবা শৈরেং লাইরিকমচা অসে তশেংবমক্কী হাননা য়াম্না খন্ন-নৈনবা অমদি—শেম-শারগা থোকখিবদি নত্তে'। তোঙনা তিন্নরুবদগী ফংঙ্গরকপা মতিক ময়ায়গী ইনিনতনা "ইনিন"অসি পুথোকচখিবনি

আসাম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী হৈঙ্গিক হৌজিক সভাপতি ওইরিরিবা অহল ওইরবা শ্রীযুক্ত উসম দুর্গবিহারি সিংহগী মুংশিরবা রাহৈ খরনা য়ুম্বিরেন ওইরগা এগী ওস্থেক্লা মুংশিল্লরবা কাছাড় কলেজকী ওজা ডঃ রঘুমনি সিংহনা শোগৎ-পিখিবা বানান অমদি প্রুফ যেংবনা চিঙবগী রাবিমনতনা লাইরিক মচা অসে পুথোকপা ঙমজবনি ।

ওইনাম নীলকণ্ঠ সিংহ

হীরম লামায়

হীরম	লামায়
১। পম্মৌ ওকৃপা	১-২
২। মীৎতাওবা	৩—৬
৩। অঙাংহলগী খম্মালবু উখিবদা	৭—১১
৪। লোক্তাক্‌পু উরুবদা	১২—১৮
৫। অকা—ফৎত্তা	১৮
৬। নোংমা শজিবুগী বরাক্‌ খে,ঙমুংদা	১৯-২২
৭। তাইবঙগা মঙলানগা	২৩-২৪
৮। কোকিল	২৫-২৭
৯। মোমগী মৈঙাল	২৮-৩০
১০। নোংদম্বা	৩১-৩৩
১১। বেলুন	৩৪-৩৫
১২। অঙকৃপা	৩৬
১৩। মতম্‌	৩৭-৩৯
১৪। খেম্নবা	৪০-৪২
১৫। পুন্সি	৪৩-৪৬
১৬। খোঞ্জেল	৪৭-৫২
১৭। লম্বী	৫৩-৫৭
১৮। নুঙগাইথক্কী খম্নাল	৫৮-৬১
১৯। চৎনবী	৬২-৬৭
২০। খোঙগাড়ী	৬৮-৭২
২১। মতমগী শৈরেং	৭৩-৭৫
২২। বরাক্‌	৭৬—৮০
২৩। য়েংজনিংদে শরুমদে।	৮১-৮২
২৪। ভুঙাইবা থিবা	৮৩-৮৫

মতাম	লামায়

পন্থৌ ওক্পা

ঐনা নবা ওইরিবৈঙে,
তাইবঙ ইবাং খঙ্দ্রিবৈঙে,
ইমাগী খোম্লাংতবু পক্লিবৈঙে,
তাইবঙ চিঙ্গাক্ হৈদ্রিবৈঙে,
পন্থৌ নঙ্না অপোক্পা
নঙ্গী তম্পাক্তা যোক্পিরক্পা,
শীংচম্দ্রবা লমন্বু তোন্খিদবো ।

কোকৌ মৈশাবু লাংখিনি
অইঙ্বা মালংনা ফংখিনি,
নবা হক্চাং শোকখিনি,
অখা মীৎয়েংনা উখিনি,
পন্থৌ নঙ্গী পাম্বোম্না
কোন্খিবা চেৎনা থোইনা,
শীংখাহুনা লোইরোইদকো ।।

নবা পুম বুম, চাউরক্পদা
মালেম্ মাবু উরক্পদা,
মেরাগী থাবল অহিংদা
থাজা মাবু উরুবদা,
শক্থঙ্হন্গে নিঙ্হুনা
নবাগী পাম্বোম্ থাঙ্গৎতুনা
খুদোন্বীবু থিন্দুনা
থাজা মাবু য়েংহুনা
তু-তু-তু লাউখিবা
ঐনা তিঙ্কু য়েংখিবা
করম্বু কাউসিগেকো ।।

তাইবঙ্ চিঙ্গ'কু তম্মকপদা
লাইজা ঈশৌ ল'ংখিবদা
পান্থৌ নঙ্‌না নো'গা
কু-কু-কু কোযমা মা
লাইজা ঈশিক ইনখিবা
কংলবা চিন্‌ব'ন্‌ যেংঙম্না,
'সুয়া তাইবঙ চিঙ্গকু চৈরবুখি
তপ্‌না তপ্‌ন' থ'ঙবখি ।
ওম্বো'ক্না মু'শিহৈদকে ।।

ঙসিদি তাইবঙ শক্‌লঙ হো'ঙ্কু
পা'খং শনী ফাবক্‌লে
খোঙপা'ং নাইতোম্‌ থংঙক্‌লে
তা'ইবঙ্‌ সন্দা য়'উরা'ক্র
তবা'-চনা চৈথেংলে
বাখল পোংলুম পোংলরে ।

'স্নুমা পুন্সি লম্বী চৎপদা
হম্না যেংব উরবত্রন্দা
পান্থৌ নখোয়তবু নিঙশিংই
অপো'কপা খো'ঙ্‌গুল লীক্‌ই
চঙ নিংবত্রু পাম্বী ও
নফম্লংদা যথিরো
নবা'শিংনি খন্‌বীত্রুনা
করিম্ভ থঙ্‌দবনি হায্‌ত্রুনা
লৈতা লৈতা থৌরা'ঙ্‌খিবা
তাক্‌পিরম্মুকো অপোক্‌পা ।।

মীৎতাঙবা

নিপা অমা থবক্ শুরি
　　　অচৎপনস্ত উরি
উনা উনা মহৎবিরি
　　　করি থবক্ শুবিরি ?
অংশুবনস্তু মথুম্মি
　　　এ অস্তম্ তৌরম্মি
অনৌ অদো বারী শাই
　　　খঙনা খঙনা হংনবতায়

তংশংনা মীৎতাঙবদি কৈদৌরে
　　　কনানা মাকপু হংবরে ?
চৈশু পায়দুনা কোয়ামা মাই
　　　অস্তম্ হায়না চৎপা - তায়
বাহং পাউহং তৌরুদে
　　　কনানস্তু হংবিদে
মতোম্ তেংক্ চৎচৈ
　　　কন্না পায়জে মাগী চৈ ।।

অচুম্ববুদি খঙবিদে
　　　কৈদৌঙৈদস্ত থিবিদে ।
কনানা মীৎতাঙবনো ?
　　　কনানা তাঙদবনো ?
উনা উনা উদবা,
　　　খঙনা খঙনা খঙদবা

ঐ:খোয় পুন্নমক্ মীৎক্ষাক্লনি
মীৎ লৈনা লৈনা উদবনি ॥
তুমিন্ লৈবনী মফমে
খঙ্লবসু হায়ফদবে
য়াওরুরগা য়েক্সবা তাবা
য়াওরগনা অফবাবা
অচুম্বদি হায়ফদরে
হায়রগনা মীচঙ্ তাবে
অচুম্বু বিনরে
মাগী মীচঙ্ লোৎখরে ॥

অকৎপদা লৈতৌবা
অতোঙ্বদা লৈহাপ্‌বা
অনীগি থেম্মবদি মহেন্বা
অনেম তরাংবু লৈহন্বা
হৎলুবগনা খঙ্দে মহায়
অরেম্বদা যেক্সবা তাই
থিগৎপিনবা লৈয়ক্ত্রে
থিগৎপগিস্থ মহৈ লৈত্রে ॥

মীখা পোন্দে পুক্নিঙদি
ওইদবা খন্দে মসিদি।
চীন্বান্ থোঙ্দা অমনি
চিন্গা পুক্রিঙ্গা তৈনবনি
খঙ্দে লাক্তে হায়গনু
নম্থাক্তবু তৌগনু।

[illegible]

[illegible]

মীংতা[illegible] [illegible]

কেকু লোংলীনা কাল্লী

অউবনা উদশাবা

মাইপুন্থিনা কিশিন্বা

তাইনঙ খোয়গী কেকুলোংশীদি

হাংদোক্পা লৈতে মায়খুম্যিদি

পুম্লি নম্থাকী মায়খুম্মা

শান্নরি ওইদবনা সুম্মা ॥

তেন্খ্বা তাইবঙ, খোঙচত্তা

ওইজা ওইথকী লালক্পা

শেনদোং মাতবু তাবদা

অচুম্ অরান থিত্তবদা

মীগী মাঙ্খিনি খল্লুদে

খল্লুবস্থ সংনদে ।

ঈচেল্ কন্বী তুরেল্দি

তাইবিরম্দে তোর্বান্দি ॥

তোরৈ কয়া থায়রুনা

ইথেক্ কয়া নাইরুনা

চেল্লি পুন্সি তুরেল্না

অরেম্পা কৌবতা নাইদনা ।

কনাবুহু ঙ'ইরম্দে
উনা উনা উরম্দে
সে মাইনি হায়রম্দে
ওইজা ওইথক্ হংলম্দে ॥

'সুম্মা পুন্সি ঈচেল্দা
নোংমা নোংমা হৌখ্রবদা,
খোদোক্ কয়াবু লাংলগা
পুন্সি কৈখেল্বু কারম্লগা
খঙহৌদনা য়োরক্খি
অরোইবা ঈয়াইদা তিন্খি।
তাইবঙ্ শক্তম্বু হংও কৃখি
উরক্তে হায়না পাউখুম্খি ॥

—X—

অঙাংহন্নগী থম্মানবু উখিবদা

কুন্গনিখোইগী তাংকক্নি
　　　　খোয়থংমলবা মতাংনি ।
উরু থুদিঙ মচু তাক্নি
　　　　লাঙতক্নবা মওংনি ।
পুক্নিং কোয়পাই শাইবনি ।
　　　　শাথীথংবা তাংদানি ।
তানজা অসিমক্তদা
　　　　উখি থম্বাল্ ঈথক্তা ॥

পস্থোগী ইংথোল চাইকোম্নুংদা
　　　　চাউরবা পুখ্রি ঈয়াইদা,
লৈরাং নাযতোম শাংপিনি
　　　　চেকশিন্না শাংপি থম্বালনি ।
পিক্লিঙৈদৈ শক্হেন্বীনি
　　　　মতারোইশিংগী কল্লক্নিঙায়নি ।
লৈকাই ইচেমগী য়েংনফম্নি
　　　　খোইমু কয়াগী খোয়দাফম্নি ॥

পিক্লিঙৈদগী শোন্নরক্খি
　　　　[illegible] থাংখি ।
"য়েং ঙক্কো মিংতা লক্কাসে
　　　　কবিবু খোক্লগবা থঙদেনেসে ।

রাঙ্গিদকো মনাহৈদ
　　　　ঙুংশা শীঙ্গেদো ইচেম্‌ইল।”
অমুম্‌ হায়না মিপাইখি
　　　　মচেম্‌শিংনা শোয়খি ॥

লৈরাং পুমকক্‌ চাংয়াক্‌খি
　　　　লৈশা থাক্তো চত্তক্‌খি
শিঙ্গেল্‌ পুক্লিঙ্‌ ঙুঙোলকই
　　　　মতম্‌গী ঈশাংদা চঙক্‌ই।
খোইমু শঙ্গ্‌না মিতায়ক্‌খি
　　　　নোংমগী তত্তনা পাইরক্‌খি,
পম্বৌ ইংখোল্‌ লালক্‌খি
　　　　থম্মাল্‌ মাদি মিপাইজখি ॥

শাওঙ্‌শদা কুজবীনি
　　　　লৈতেংগী মাপান্‌ তাংদবীনি
লৈরাং মদোম্‌ কুজবীনি
　　　　মীৎকম্‌ হোংবা য়াদবনি।
মমাঙ্‌ থাদা থোক্‌খিদ্রি
　　　　শক্‌ফম্‌ অসি উখিদ্রি।
অঙাংহলগী রাখল্‌নি
　　　　হৈনা শিংনা শেম্বনি ॥

য়েংজকনু শুম্‌হৎপীনি
　　　　লৌনা লায়না চঙকনি,

ঊংজানবা পোঁকনি
ইদোম্-ইদোম্ নোক্নিংগনি,
মক্লম্ মকম শোলকনি
রাথল্ ল'লা চোইরকনি ।
মতম্চানা য়েংজহৌ
লায়না লাইশক্ খঙজহৌ ॥

ঈদা তোংদা চঙ্খিবা
খঙ্হৌদনা চিক্খিবা
থম্মোয় মচু শঙ্খিবা
কৈদোউৈদা কোক্ত্রবা
কাউঙম্দনা লেলক্পা
অমম্ অঙুম্ হৌরক্পা
নিঙশিং লায়নানা রাহল্লে ।।
পুক্নিঙ ঈরাং হৌহল্ল ।।

শৈশক হৈবা অখোইবা
করম্বা মতম্দা লেংঙবা
নঙ্গী খুৎশাহৈবা লায়েক্লা
থরায় পান্বা ময়েক্না
মাঙদা উরি তত্তনা
লমাই খুঙিঙ লা-না
খুদক্তা থোক্খিবা থৌদোক্কুম্
কোকৌ মাক্লা থোক্লক্পগুম্ ।।

ভাইবঙ থম্বাল্বু য়েঙলপা
মানবা চাঙদম্বু খল্লরগা

নিঙহন্‌লক্‌পি ৱাখল্‌ ঙসি
ফুস্বংনহল্লি থম্মোই অসি
ঈথক্‌ ঈপোম্‌ হৌরক্‌খি
চেংলৌ শক্‌ফম্‌ উরক্‌খি
ৱাখল্‌ ফীডুপ্‌ ৎাংদোক্‌খি
হৌখিবা লম্‌দাং য়েংঙক্‌নি ।।

অসুম্‌ অসুম্‌ থল্লবগা
ৱাখল্‌ অতিয়াদা তাউরুরগা,
খঙহৌদনা শুম্‌খি
নঙগী খুৎশেম্‌ থল্লক্‌খি ।
লাইরেকবা মওংঙুম্না
ঐস্ব ওক্‌চানৈ অচুম্না
মপা লৈতবা নঙগী খুৎশেম্‌
শিনথকখিনি নোং ১ মালেম্‌ ।

খ ঙওয়দ্রবা লানগী চৈথেং
পাঙ বিদ্রবা পুম্সি ইতেং
লানজেনজক্না তিল্লিদৈ
মাইকৈ শিংগা চ ক্লিটৈ
কৱম্বা শরক্সবু য়েক্‌থিবা
থম্বাল চেংলো শেমখিবা
তেম্‌খিন্‌ ওইনা ঙাক্‌খিদা
চৈথৈ সাহিত্য অাতিয়াদা ।।
নঙগী ঈতোপ তোপ্‌পা খুয়েক্না
থৱয় পান্‌বা শক্‌তম্না

নঙ্গী নঙুনবু তাকখি
মালেম্ শিল্পা থাগৎলি ।
মশা লৈত্রবা নহাক্কি
অনৌবা য়াওনপু কপনি,
কাইনথঙদা থঙকখি
মায়াম্মা নঙবু শেল্লকখি ॥

নোঙাল্লম্দাই শজিক্কা
তনিক্ তনিক্ ঙানবনা,
মোংলোক্ অতিয়াগীদি লৈতেংদ
পাম্লম্ নিঙায় লৈতবনি ।
নঙগী সহিত্যগী অতিয়ানা
শজীক থাবাগুম ঙানবনা
শক্কা শোম্নরি মালেমদা
অতং অথম্ লৈতনা ॥

—X—

লোক্তাক্পু উরুবদা

হাদা লোক্তাক্ নিঙথিবী
নোংপোক্ লমদমগীদি অথোইবী
ইঙ্না তপ্পা পুক্ফবী
ঈরোল্মুংগী শকহেন্বি
মৈতৈ লমগীদি মিংশেল্নি
মালেম্গীদি কল্লক্ফমনি
করম্বা লাইরেম্বীগী থুৎশেম্নো ?
মপা লৈত্রবা শক্কম নো ? ॥

মেরাগী থাবল্ অহিংদা
অঙৌবা ফিজোল্ হোংন্দা,
মচৌশা লাইরেম্বীনা ইকাইজৈ
নঙগী নঙৌনা মহেন্জৈ
উকবা কয়ানা কল্লক্পনি
মীৎকম্ হোংবা মাদবনি ,
শৈরেংবা কয়াগীদি বাখলনি
শৈশক্ কয়াগী হৌরক্কমনি ॥

অপাম্ মুংশিগীদি হৌরক্কম্
মোইরাং কৌবনি লমদম ।
লোক্তাক্ নঙনা মমোম্মি ,
লমদম্ অসিগী থরায়নি ।

ঙৈশরেং কয়াগী মচাকুনি
ঙৈহনা শিংনা শিঙথাবনি।
মালেম শিন্না শোল্লবনি
নঙগী নঙনুঙনা হেনবনি॥

নঙগী তোর্ব্বান্দা লেপ্পুনা
বাখল কয়া খন্দুনা,
ঙৈশক্ তম্গে খঙবা
কোঙলোকৃপশি ঙমজবা
করম্বা রাঙৈহনা শিঙথানি ?
নঙনতরু হেনবনি
বাখল্ ঐগীদি মাঙখরে
নঙগী ঈরোলমচুংদা তিন্খরে॥

মোইরাং থোইবী অথোইবী
পুকৃচেল্ অনি লোঙদবী,
মৈকৈ চমু শকৃহেনি,
অচুম্বগীদি লুচিংবী।
লোক্তাক্ নঙ্তনা খঙ্হৌই
মুংশি বাশক্ তাহৌই,
নঙগী ঈথক্ মপান্দা
লেমজৈ ঙাবু তানবদা॥

নঙগী কোলোই মিংথৈদি
মশিঙ নাইদ্রে শোল্লবদি
লোক্তাক্ নঙদি লাইরেম্বীনি

মৈতৈলমগীদি লৈতেংনি।
লোক্ত্যাক্ নঙদি মৈহৌমোম্বি
পুম্নমক্কী হৌরক্ ফমনি,
নংগী লাঙ্জদা তাংজবিনি
লমদমসিগী মযোম্বি॥

মৈতৈ লীচৎকিদি হৌরক্ ফম্
মালেমনদি খঙ্নফম্
নঙ্গী নপান্ তাঙ্জবনি
সনা লৈবাক্পু যোক্পিনি
খুনাই কয়াগীসু হৌদোক্ ফম্নি
চীং তম্গী মমানি
লৈপুন্ অমত্তগী মচানি
নঙ্তনা খঙ্বনি॥

নঙ্দি মীচঙ্ নাইজবিনি
পুম্নমক্পু কোনিবনি,
নঙ্গী নখাদা যোক্পিনি
চীং-তম অমত্তনি।
কনানসু হেন্দে
কনানসু নেম্দে
নঙদি পুক্চেল্ হোঙ্দ
মীচঙ্ মীখাই নাইদে॥

নঙ্গী মীংথৈ লৌহুনা
শৈশক্ কয়া ওম্হুনা।

নঙ তবু শিঙথংঙ্গা
কংলৈ লোম্ম পুখোক লগী
মাইচৌ কয়াগী ঙৈশম শিকাপ
মালেম শিরা ক্লাওখিবা
মতীক মপা চাদবনি
নঙ নতবু মহেম্নি ॥

লংইরৈবংকী লাইরেম্বিনা
নঙ গী শকলেনবু উক্রনা,
কল্লক কঙ্গাই মখেলাং
কাউথোক খিত্নবা মথৌদাং
নঙ গী ভম্পাক ঈয়াযদা
অহিং ঙাংঙ লৌ অথেঙ বদা
থেক্লা নৌনা লপোই শাখি
হরাউ মথোং কাখি ॥

শরী পাপোম কনবদি
পুরেম্বা কৌবা অঙম্বদি,
লাইরেম্বী মহাকপু কাহনা
ভালোয়শিংদা চন্দনা
থম্বা থম্ লাক খিবা
থাংজিঙ কুমৈ হৌখিবা
লোক্তাক নঙ দি উবমপনি
য়াম্ব য়াখোঙ খঙ ঙম্গনি ॥

লোক্তাক নঙ দি শক হেনবী
অবাং নোংপোক্কিদি অথোইবী,

নঙ্গী ঈথক্ ঈয়ায়দা
ফুমুপ্লোন্ চীঙ্‌দান্ অতাইবদা,
শামজরি মনিঙ্ তম্পা
শঙাই কৌরি মযোম্না
কুমৈ অসিবু য়েংজবনি
পুন্সি মহৈ য়ান্নবনি ।।

মীংকম হোংবা স্নাজবা
মহৌশাগী কুইশ্মনা থজবা
মদোম্তনা কজবী
খুৎশেম্ মতেং লৌদবী
তাইবঙ্ পুক্নিঙ্ হুন্নবী
চেঙ্লৌ শক্তম্ নিঙ্থিবী
নঙগী নশাইগোম্দা চাউজগে
লম্দম্ অসিদা পোক্চগে ।।

চীংলোন্ মাপন্ বাংমলান্
ছিংবদা স্নারবা পুন্সিলান্,
লোন্থোক্কবী চেক্লাগুম্
পোন্গী মনুংদা লৈবগুম্
শিঙ্থানিঙবদি কয়ামি
বাখল্মা লাঙদি ঙংদবনি,
বাহৈ বাতা হৈতবনি
শৈশক্কে থজুবদি অয়াবনি ।।

লোক্লাক্ নঙ্বু য়েংলুবগা
থোৎলোক্ কয়াবু নিঙ্শিংলুগা,

খঙ্ হৌদনা হল্লকৃখি

ৱাখল্ ঈথক্ হৌৱক্খি

খম্ মাগী ৱাখল পোক্লম্

পুঙম্খিদে লাইর তয়ুম্

খঙ্বা মাগী ৱাখলদা

ৱাকখিবা কয়াদা ॥

খঙ্বা থোইবীগী পুক্সিনা

লোংমগী লাইশোন্ ওইহনা

শক্লরি মৈতৈ পুম্বনা

ঙসি ফাওবা কাউদনা ।

লোক্তাক্ নঙ্বু উরুবদা

ৱারীসিবু খল্লবদা

তিল্লরি মীপুম্ খুদিঙ্না

ইরাং লমদম্ ওইবনা ॥

অপাম্ সুংশিগীদি তুংনফম্

সুংশি ৱাশক্পু লোনফম্

শাবি শানৌ কয়াগী

নিঙোল্ পুক্লীং হবগী

পুক্সি লখী থিরক্কম্

অপাম্ লমদম্ খুংনফম্ ।

অরা–অনাগী কোক্নফম্

হরাউ মীনোক্ তানফম্ ॥

মনিঙ্ তম্বা শাৎচবী

খম্বাল্ লৈরাং শকহেন্বী

থৈরাং মথোয়দি শঙ্লুনি
লোক্তা থেনা শাঙ্চবনি,
মালং শাক্ হুংবদা
ঈথক্ ঈশোয়্ ছোৎবদা ।
হাইনা হুম্না শাংচরী
লোক্তাক্ নত্ত্বি নোক্চরি ॥

—X—

অঙ্কা-ফংত্রো

ঠৈবু পায়দুনা শারকদে, য়ুম্ চাকনি ।
ইমা ঐ চাকুলাম্রে, ডাইথো ইবুঙো ডাইহাক্লা,
শিঙসে ইচাক্ চাক্কবনি ।
লৌমা চীকৃতুনা শিঙনি, শারাগম্ভ নারক্লা,
ইমা ডাক্তার বাবুনা হায়রবদি, হুদগী হীদাক শেম্বনি ॥

-X-

নোংমা শজীবুগী বরাক খোঙনুংদা

নোংমা বরাক্ খোঙ্‌নুং থম্বা
ইনিন্ নিন্থি হুংশি ঈশৈশনা ।
অথাপদৈ তোরৈ তাম্বা
ওন্ খোঙ্গনগী লাপ্পা
শক্ লক্থি খোনথা নৌনা
পাম্ জরবা শৈশকুনা
হা চেক্লা হুংশিবি
খোঙ্জেল্ বাংনা খোংলিবি ॥

তোর্ব্বান্ অসিদি ওলি
তোরৈ শিনথি ঈশৈসি ?
ঈথক্ ইপোম্ কারক্‌পি
থম্মোয় ঈরাং চৌরকখি
খঙ্ হন্দনা লাক্‌লিবা ইরাংনি
থম্মোয়দা মমি তাখিবনি
ঐকদৌঙৈদগী থোক্‌খিজিবনি
অঙক্‌পগি মঙৌনি ॥

অহুবু থম্‌বদা ইকাইখৈ
মওং মওং মথন্‌তৈজ
থম্মোয়বুদি খঙ্‌বিদে
কনানগী উবিদে
ঐগী ইতোবু উবিরম্‌গদ্রা

মুংশি পাউজেংসবু য়ৌরম্‌গম্রা
লৈখোক্লক্না চীকৃখিবা
খম্মোয় লকা কাওখিবা ॥

ঐগী ইরাল করিনো
করিগনি নওনা নোকুখিবনো ?
উরম্‌ত্রেবত্ত কুরম্‌গনি
য়েংঙ্‌মত্রবত্সু নিংঙম্লোইদবনি
অরাবগী মশকৃনি
নহাল্‌মথৈ খঙ্ঙম্‌দবনি
মহাঋষি কনবমুনি
কাইনখঙ্‌বা খঙ্‌খিবনি ॥

অঙকৃপনি অঙকৃপা
তম্মদনম্ভু কংদবা ।
শীঙ্গম্ সঙ্‌দা তম্মুরবম্ভু
চহি কয়া মাঙ্‌জুরবস্থ
পুন্সি চুপ্পা লাইনিঙ্‌বস্থ
মালেম্‌ কোয়না খিরবস্থ
কংলোইকো কংলোই
মুংশি চৈনাবু খঙ্‌খিরোক ॥

নিংশিংলকই ওসিদি
মাইকেলগী বীরাঙ্গনা কাব্যদি
শকুন্তলানা রাজখিবা
তারানা সোমবু নিংজখিবা

ঊকাই-ঊকি বাংমলান্
গুম্মেংবুইদকো হুংশিলান ।।

হিমালয়গী চীংথক্তা
বাংলবা নোংথক্তা
বানা খাঙজখিবা কুবেরনা
মুংশি মাবু নিঙ্শিংহনা
নোংবুদ্ভূত্ শেমখিবা
অবা তেংথাবু থাখিবা
কালিদাসকী মেঘদূত্তা
রবীন্দ্রনাথকী শৈশক্তা ।।

কিজৈ ঐদি কিজৈ
হুনি থওনা মপাম্জৈ
উববুদি উদবনা কৈ
উত্রগনা হেন্না নিঙ্জৈ
লাঙ্তক্রবা মওঙ্নি
লায়না লাইশক্ তাক্তবনি ।।

ঈয়ায়দা শাংপী থম্বাল্শুম্
উনা উনা কংদবশুম্
মুনা মুনা য়েংখিবা
কয়া বানা খাঙ্জখিবা,
শিঙেল্ পিয়াং হৌথবা
তিঙক্ তিঙক্ য়েংখিবা
কন্মন্থিদকো পম্মৌ চৈরাক্
শাখিদকো তাইবঙ্ পথাপ্ ।।

কোরৌ মশেক্ হুম্বোক্তরে
অহুকৌ লৈঙ্গা তাক্‌ত্রে,
মালেম্‌ মৈশা লাংলক্‌লে
অইংবা থম্মোই কংলক্‌লে
লাঈজা ঈথ্‌ক মাঙ্‌খরে
থম্বাল্‌ লৈকা কেশ্‌খরে
হুংশি ত'ন্‌থা তাখিদরে
ঐগী থম্মোইদু কায়থ'রে ॥

পুন্সি ঈচেল্‌ তোর্ব্বান্দা
লেঙ্‌ঙবা পামেল্‌না তুপ্রবদা
লৈরে'ই কায়দোংফম্‌
থরায় চেক্লাগী তুঙ্‌নফম্‌
বাখল্‌ অসি থুংদা
ভাইরক্‌খিনি ঙসি কাওবা
লাক্‌খিগনি শজীবুলী অমুক্তো
তারক্‌খিগনি শৈলক্তো ॥

—X—

তাইবংগা—মণ্ডলানগা

ভরাং মুমিলাং হাঁয়রৈ
শৈঁরেং অমা হৈঁবে
পুখংলক্তু হায়রিঁ
সম্মৌঁলোন্গী ভাংখী
পুখোকনি হায়রিঁ চাংরেং
শৈরেং মরাম্ পরেং পরেং
চাংদম্নগনি পাউজৈরবিঁ
আকাশবানীদা লাউবি ॥

নোক্নিঙ্বনা ঐদি
তাইবঙ্ কৈথেল্বু থম্রবদি
কৈথেল্ 'লক্পা শৈদম্বা
হিয়াংতিরৈদা পেনা খোং'বা
স্বর কুপ্লিরৈদা বসন্তরাগ
য়ারোইদকো পাক্ পাক্
মণ্ডলান্গা তাইবঙ্গা
অতিয়াগা—মালেম্গা
অমনা অমবু থানদে
কনানা হেন্বনো খঙ্দে ॥

খম্মো'ইবুদি মত্তইদো
একসে কৌবা কোন্দো
কয়াং অতৈভম্ হমথায়
মেশিন্ মাগী উনিথায়

বাখল্‌ মহাকৃত্তি লোংজি
যম্রহুনা জ্বাকুলি ।
খিরি অহিং মুংখিল্‌ খায়ুমনা
নাপল্‌ চাউরুা বৈজ্ঞানিকূনা
পুকনিঙ্‌ মহাক্‌পু খিদোক্‌কে
লেবোরেটরিদা পুখোকে
কেকু লোংপি শারি
ঙসি কুাঙবা ফংদরি ।।

পাইজখো বাংনা থাক্‌ থাক্‌
শেলী নঙ্‌গী স্কাইলাক
কুম্‌থরকৃখিগনি শোয়দনা
কাউখোক্‌পা য়াবোই চেক্লাহুনা
মালেম্‌সিগি ইচা-ইঙ
বাখল্‌ অভিয়াদা তাইজরবতু
শৈশক্‌খি অসুম্‌ হাযনা
বাউসাবার্থ কৌবা কবিনা ।।।

ঐস্ত 'সুমা লেল্লিদৈ
তাইবঙ্‌চরা তাল্লিদৈ
ইশাবু ইশানা কাউরিদৈ
তাইবঙ্‌ চৈনা খাঙ্‌লিদৈ
পুন্সি শৈশক্‌ শৈরেংবা
অবাবনি অরাবা ।।

-X-

কোকিল

মালেম্ শীঙ্গা ক্বাওররা
লৈরাংবা কাম্নানা লৈশকথ্রবা
নঙ্গী নতৌ শেংবদা নত্তে
কুচু লুদে হায়বস্থ খোল্লে
নোংমা বসন্তগী অয়ুক্তা
রাংলবা উশা থক্তা
নঙ্গী 'কুহু' খোঞ্জেল্দা
ঙম্হৎপ্রবা কয়াদা

তোরৈর সাংলবা ঈরিক্লদা
নঙ্গী মিরবা খোঞ্জেলদা
পুক্সি হিহোৎ। ঐদি
পেম্না তাজগে ঙসিদি
অরা-অনাগী তাইবংনি
থম্না থকৃকি লাইজঙম্বনি
ঙসি হয়েং থাইদেদো
পোলেপ্কম হায়বা নাইদেদো

চেক্লাও মুংশিরী
মালেম শিল্লা খোংশিরী
নঙ্গী মুংশি খোঞ্জেল্না
অনৌবা মাপকী লৈশক্লা
বসন্ত অয়ুক য়াকাইরে
লৈরাং লৈরীক্ তম্থরে

লৈরাং লৈনম্ কাওরকূলে
লম্হেম্বা খোইমু পাইরকূলে

আথাপদৈ বাহোংনা
হরাউ মখোই কাহুনা
থেক্লা জগোই শাম্বী
নিংথিবা পুংখোল্ ভাম্নি ।
অনিসিনা ভিল্লগা
খোইমুনা লৈহী খিৎক্লগা
অঙকপা কুমৈ ওইহল্লে
পুক্নিং ঈরাং হোইহল্লে ॥

স্বর্গ মাবু থিরুই
মকম্ খঙদনা লৈরুই ।
মুঙগী মূর্তীদা হুংলুই
মরোন্ থোক্লনা ঊই ।
অরেম্বনি লাৎচক্লবা
মতম্ কয়া মাঙলুবা ।
ইনক্ মক্লা লৈরম্মে
মহোশা কৌবিদা কঙম্মে ॥

অঙাং নবা নোক্পদা,
পুক্নিঙ্ ঈহো লাক্ত্রবদা,
ঈশৈ মাবু ভাবদা
বাখল পোংৎথাকম্ খঙ্ত্রবদা,
মুঙ্গী মূর্তীগুম্ কেল্লবা
মীহুংশি খঙ্বা লৈত্রবা,

মীরম্লেন্ নত্তে মহাকৃতি,
’সুম্না থল্লি ঐহাকৃতি ।
চেক্লা নঙ্ বু কৈদনো ?
করম্বা উশাথক্তা তোংবনো ?
নঙ্ গী খোঞ্জেল্ না তাকৃলি
ঐস্থু থাম্বা য়েংলি ।
করিগী ’হুম্না খোংলিবনো ?
অপাম্বা কনাবু কৌবনো ?
নঙ্ গী পেজ্রবা খোম্থাঙ্ না
কৌবরা মাবু বাঁনা ? ॥

নঙ্ গী খোঞ্জেল্ বু তারগা
হৌখিবা পুক্লিবু খল্লুরগা,
অবা মুঙাই ফাউরকই
হুম্না অমুক্ নিঙ্ শিংলকুই ।
নিঙ্ শিংবতনা বাহল্লি,
কাউগে হায়রগা মহেল্লি ।
পোথাকম্ খঙ্ জ্রে ঙসিদি
তাহল্লগম্থু নঙ্ গী খোঞ্জেল্ দি ॥

অহুবু চেক্লা পাইখিম্থু
লম্লম, থাপ্ৰা চংখিম্থু,
চেক্লা নঙ্ না পাইপ্রবদা
পুক্লি বসম্ভনা কৈজ্রবদা,
কৈদি চেজ্রবা কৈরাংঙম্
অহাঙ্ বদা পাইবা খোইমুঙম্,
অবেবনি মীওই পুক্লি
অবাবনি ’সুম্না লেন্‌বসি ॥

-X-

মোমগী মৈওন

লোন্থোক্লবা মোম্
মঙাল্লিবা মোম্
নদোম্তবু চাক্থেক্পা
অমম্বু কোক্থোক্পি ।
অহিং কয়াগী মৈরানি
থৌদোক্ কয়াগী শান্নিনি
অহিং তাংলো অথেঙ্বনি
নঙ্তনা উহৌবনি ।।

কম্দৌবি নঙ্কীগী খোঙজিংদো ?
খঙ্দ্রবা থৌদোক্তো ?
ময়াই কারবা পেয়ালাদা
কনা কনা লপ্থিবা ?
তাহৌবরা সাইরেঙ্জি [illegible]
য়েংহৌবরা কামগী শাখেক্ ?
খোঙজি তাম্বা চুম্থিবরা ?
নঙ [illegible] [illegible] [illegible] ?

চহী চাপিঙ [illegible]
চথরক্লিবা ঈচেল [illegible]!
মুখোল [illegible] [illegible]
পোত্থাকম্ নিংথৌরেন্ কয়াগী ।
নঙ্গুম্ মদোম্ তুম্লবা
মাঙ্জব্রবা [illegible],

লেন্‌খি অহিং বানা
কায়রবা খোইগী পিরাংনা ॥

তারম্‌দায় হুমিংলু য়েংলগা
অরাম্বা অহিংবু খল্লুরগা,
থম্মোয় নঙ্‌দি তনিক্‌ তনিক্‌
তুম্‌থংদি মরিক্‌ মরিক্‌
করম্বা খোঙ্‌জি তংখিবনো ?
করম্বা তানবু কাইখিবনো ?
ওইকম্‌গনি পোয়দনা
পেন্দবা বাখল্‌ কয়ানা ॥

নক্তে নক্তে মোম,
তাইয়োমরুরে ঐগী ইমোন্‌,
য়েংলুরে অতোপ্পা মীয়েং
খল্লুদরে নঙ্‌গী অথোইবা শৈরেং,
ঐগী খুরবা বাখল্‌না
হৌখিবা কায়াগী থোদোক্না
শুম্‌হৎলুরে ঐহাক্তি
মঙ্‌কাথনরে হৌজিক্তি ॥

পাক্‌ চাউরবা মালেম্‌দা
লাইশঙ্‌ কয়াগী মঙ্গুংদা,
মহাক্তবু মখিরি
নঙ্‌তনা লান্‌বিরি
শাগৈ জাৎ থায়দে
অবাং অনেম্‌ নাইদে

মপু মাগি থৌরাঙ্‌নি
নহাক্তনা লৈচায়
মমলবা থাশিগি অহিংদা,
জিবাশিংগি মৈত্তাক্‌দা
মণিমুক্তা পরেংশুম
অহিং লাইরেম্বীগী লৈতেংশুম
নিংথিদকো নওগী শকক্ম
ভাইবশু ঐথোয়গী য়েংনক্ম।
অনংবু কোক্‌থোক্‌পিনি
পঙলবা ঐ-খ'য়গী লৌশিংনি ॥

অহিং তাওলৌ অথেংবদা
ভাইবশু ইচিক হুনগ্রবদা,
মালংগী শাহুম লেপগ্রগা
মালেম শকওন্‌ ওনগ্রগা।
অঙম্বশিং কনা লাকপি !
করি হায়না তানপি ?
করম্বা লৈগাক্‌লান্‌শেমখি
নিংথৌরেম্বা করি হায়খি ?

-X-

নোংদম্ব

নোংদম্বা নঙ্‌বু কৈদৌনো ?
　　　মফম কৈদা লৈব্নো ?
অয়ুক্‌ মুংখিল্‌ থায়দনা
　　　লম্‌দম্‌ কোয়থা চৎতুনা
কোয়’খি খিজৈ নহাক্‌পু
　　　অতাওবগুম্না ঐহাক্‌পু ।
কনানা তাক্‌পিরক্কে
　　　নহাকী লৈফম্‌ লৈতে ॥

চৎচরুই অহল্‌ নাক্তা
　　　রাজকুই ইত্তোম্‌তা
নোংদম্বদি লৈবদি হায়
　　　অবা-অনাগি মপুন্নি হায় ।
মশক্‌-মতৌ তাকলক্কে
　　　মওঙ্‌ মরিন্‌ থঙ্‌ক্কে
খেংতুনম্ব মাংকোয় ছায়বি
　　　চিংগ্রবদি মাক্‌না ময়ী ॥

করম্‌ হায়না নোংদম্বনো ?
　　　করি হায়না ইশাংকদবনো ?
মাবু শোয়দনা লাক্‌কদ্রা ?
　　　নিজবা থগা খংশদরা,
ঐনা তত্তনা নিঙ্‌জরি
　　　খৌরাংমা মাবু তাইজরি ।

কংবতদি মৈলেম্বিদে
নোংদম্বদি লৈরম্‌দে ॥

পুন্সি লম্‌দাংমাইদা
অরা-অনাগী শাফ্‌দা
হৌখিবা পুন্সিবু খল্লরগা
থোদোক্‌ কয়াবু নিঙ্‌শিংলগা,
মৈনি থঙ্‌না শানখিবা
লোইনা তুম্না চাকুখিবা
ওন্‌থোইনা কপ্‌চখিবা
নোংদম্বা মাঙোন্দা তাইনখিবা ।

ইথোদাংদি ঐহাকীনি
ইমাল্‌সু ঐগীনি
করিগিদি খিরি
নোংদম্বদা তাইনরী ?
মানা মানা তৌজবা
মহুগী মহৈ কংজবা,
মীওইবা 'খোইনা থঙ্‌দবা
নোংদম্বদা তাইনবা ॥

পুন্সি তিংথং লম্বীদা
হৈনা শিংবা চৎত্রবদা
অবাবগী অবাবনি
খুদোং থীবা ঙাক্তনি ।
অথঙ্‌বনা ত্যাক্‌পম্‌ লৌজবা
মশানা থঙ্‌নম্‌ চত্তবা ।

ইশাবু ইশানা শেম্বনি
হোংনবগী মথা পোনম্বনি
নোংদম্বদি লৈতবনি
থিক্লদনসু কংদবনি ॥

—X—

বেলুন

পাইখংকেদো ঙসিদি
খঙ্জসনুকো ঐবুদি ।
অরাংবা থাক্তা লৈথোক্কে
ঈনিঙ্ ঈথা তম্থোকে ।
লৈকাইনা ঐবু শোমনি,
ইকাই খুম্মনা চংবনি ।
মুঙাই যাইফবা ওইরিঙৈ
মুংশীংনা ইথুক্ থল্লিঙৈ ॥

'অম্মা মপান্ কৃঙ্গিঙৈ
তৌনিঙ্বতা তৌদ্রিঙৈ,
অবাংবা থাক্তা লৈবনা
লৈথাবু পীক্লা উবনা,
মানা মহেহোই থম্লকই
হম্বা মীয়েংনম য়েংজকই ।
মুমিৎ থাবু শক্থক্তে
অমম্বা লাকনি, থম্লুদে ॥

মপান্ ফবা কৌবনা
হাইন্না হুম্না পান্বনা,
অব্রা অনা শকখণ্ডদে,
পুন্সি মশকু খণ্ডুংদে ।
অতোঙ্বদা নৈবনা
নৈকুং নৈনি খণ্ডদবনা,
পুন্সি মপুঙ্ ফাহন্দে
তাইবঙ্ শক্রুম্ খণ্ডুংদে

মতম্ মানা ফরিনৈ
নৈকা ফম্মা শাংলিনৈ,
মন্নপকী মন্নপ্ ঙাক্তনি, ।
য়েক্রবা মশক্ খণ্ডদবনি ।
সুম্দিদাং ব্রাইরম্ লাকলগা
কোরো মানা থুপ্থ্রগা,
মালেম্ শক্রুম্ ওন্থ্রগনি
সুংশিবা মন্নপ্ মাং থ্রগনি ॥

বাখল্ মেন্বু তারক্পদা,
তাইবঙ্লান্বু খণ্ডক্পদা,
মতম্ মাদি হৌখিরম্মে
পুন্সি লম্দাং তেলম্মে ।
খৌদাং মাদি নৈহৌরে
শব্রি পাঙ্লন্নু হুহ্নপরে ।
বাখল্দমক্ মতাম্রমে
খৌদাংদি অহুম্ নৈহৌরে ॥

"স্নুম্না কোইপাই পাইরিবৈ
বেল্লুন্না মপান্ ফরিবৈ,
অরা-মৈচাক্ খঙথিদে
তাইবঙ্ শক্তম্ উশিদে ।
মতম্ মানা য়োম্বকপদা,
বেলুনগী মবুক্ হাপকুপদা,
নৈনা'য থক্তা তা'রক্খি
অঙাংশিংগী খোঙ্গাউ ওইরক্খি ॥

-X-

অঙক্‌পা

লৈকল্‌ মকুপ্‌ অমগা হায়রি,
মালেম্‌দি ঐনা শেংবনি ।
ঙশিং লৈরিক্‌ অমমা হায়রবশি
ঐদি খ্বাইগী থৱায়নি ।
সুমিৎনা পোঙ্‌লপ্‌না হায়রি
নখোয়বুদি ঐনা য়োক্‌পনি ।
মালংনা ল'ঙ্‌তক্লনা পাউজেবদি
সুংশাম্বরদি ঐতনা হোন্‌বনি ।
মখোয় পুম্নমক্না হায়রি
ঐখোয়দি অঙকপা ঙাক্তনি ।
ঐনা হায়বদি,
নখোয়বু খল্লিবা বাখল ঐনা
খ্বাইদগী হেন্না ঙকপনি ॥

মতম্

মতম্ কৌবী ঈচেল্না
চেক্লি অতং অনম্ [illegible]
ভাকুতে 'হয়েং কনায়ুং'
খল্লবা [illegible]
উনা তানা খঙদা লেক্তে,
মাঙি মুরোন্ থোক্কে
হংচুম্নগু তাকুনকুঙই
খঙ্দে হায়বগু মহায়রোয় ॥

পঙ্লবা তাইবঙ্ মীওইনা
থাম্মি মাবু কয়া ।
ঙাইখো থবক্ চিল্লি,
লেপমুখিনি মথল্লি ।
মতম্মা ফরিগু খনবিক্লুদে
মাগী ঈচেল্বু থোশাক্লুদে,
হিংলিবা মরৈ খল্লুদে
বাখলগী মপান্ নাইদে ॥

মৈহৌরোন্গী বারী কয়া,
নিংথৌরেন্গী কথাল্ কয়া,
মালেমবু ঙমগে খনক্লিংশিং
অমদা তুমুংবা অমিং,
নিঙ্ষগা তৌনবা মানবা
কনুংদা মপা ইলঙবা,

ঙসি কদাইদা মাঙ্ক্রবা ?
নাপন্‌গি কব্রা কায়প্রবা ? ॥

চাওখৎলব্বা লৈপাক্‌ কয়া
তান্‌জরম্বা মাগী থুয়া,
মাগী মতৌবু তমজরুবা
অদুতনা চাউখৎপা ওইবা
তাইবঙ লৌ শংগিদি হৌরক্‌ফম
জগৎ পুম্বগী ইরাংফম ।
ঙসি কদাইদা মাঙখ্রবা ?
মতম্‌গী মৈথুনা কুপ্‌খ্রবা ? ॥

মতম্‌ মাবু খঙনিংঙুরি
বাঙং কয়া হুংলুরি ।
মুমিৎ — থা থাবান মিচাক্‌
কয়া কুইরবা মখোয়গী মৈচাক
অমম্‌—অঙংন্‌ লেপত্রি
মুমিৎ খোক্‌পা তোকৃত্রি ।
হংবা কৌবদি লেপ্রে
মতম্‌গী হৌরক্‌ফম লৈতে ॥

সেনি — মংইনি মহায়নৈ
বাখল তরা মখৈনৈ,
খোজৈ খোংতুনা য়েংনরি
মতমগী মশীং থিরি ।
তৌবা ঙম্বা বৈজ্ঞানিক শিংমা
পোত্থাবা কৌবা লৈতনা,

মতম্বু কাগে লাক্লরি
মহিক্ থিবগুম থিরি ॥

তু-খোং ঈচেল কয়াদা হংলুই
মখোয়গী পুন্সিবু থিরুই,
অমত্তনা খুমক্তে
মখোয়গী ঈচেলশু তোক্তে ।
হিমালয় চীংজাওদা কারুই
অঙকৃপা ওকৃতা উরুই,
লৈথোকুই মমায় লোত্তুনা
উরা ফিরুক্ খুম্হনা ॥

নাপমা ময়াই কায়বা
বৈজ্ঞানিক্শিং হেন্থোইবা
অতিয়াগী লম্চৎপু থিজিন্বা
সমুদ্রবু খঙ্গে থোরাঙবা ।
থাদশু খোঙ্দাক্রে
সমুদ্রগী ঈরোলশুংদশু কুম্লুরে
মতম্ মাবু ফঙক্পরা ?
/ তশেংবা পাউবু পুরক্পরা ? ॥

মতম্ নঙবু শিঙ্থাহনা
হৌখিবা কয়াবু শল্লুহনা,
শৈশক্ কয়া শক্খি
শৈরেংবা কয়ামা থানখি ।
শাগোয়বগুম্ মথল্লি
পুন্সিদি মহেং তাহল্লি ।
ফাজিন্দুনা থম্গে থল্লি
মতম্নদি মমোন্ নোক্লি ॥

—X—

খেরবা

—

খেরবা নরাক্ কৈলেতে
মীকম্ কৈলজু কৈলেতে ।
মালেম্ শিমা কোয়থি থিকই
নকগী নওরুকা তুই ।
থক্-থা ঔশিং কুশাং
আঙক্পনি অওগ্রী কীচং
মাময়া নওদ্রি কৈলয়ম্ত্রে
এনা থিবদা কংগুত্রে ॥

তিতক্ তিতক্ য়েংহ্না কৈলে
নহাকী মকম্ কৈদা কৈল ?
তাইবও খুলেম্দি মারগনি,
মারনবা খন্দুমা শেরনি ।
লোকাক্ থকী থুয়াল্ত্র থয়াল্নি
চেগী থয়াল্ত্র থয়াল্নি
মীংঃয়েংদা খেরকম্ কৈজুরনি
অঙকপনি খুংলেম্নি ॥

তাইবও ঐশোয়দি তম্লোয়
করয়না অচুয়া ওই ।
খোইমু পাইরক্লায়া গওগানি
চমুশ্ব কোকনি
কৈলনম্ চেরবা লাকনি

মকম্‌ চানা খ্রিন্নকনি
পুথোকনি শোয়দনা
মহৌশাগী লিচৈ়না ॥

থাবু খিত্থনা চংপদা
মালেম্‌ খক্তা পাইবদা
অত্তিয়া মাগি মচুদি
ওইরম্‌ লৈ শংবান্‌বা কুচুদি।
মাদি শুম্‌হৎনবীনি,
ওইবা ওকৃতগী শক্‌ ওংনি।
চৈনা শিংনা চৎচৌ
লৈরম্‌ ত্রে খেন্নবগী চাংজৌ ॥

খেন্নবদি মাপ্লবনি
তিন্নদবদি খেন্নবনি।
অমগা অমগা তৈনবা
কনা তিন্নবা ফাবা?
অশুক য়াম্বা মুশিংপা
লোন্নবা লাইরেনবা শিংথা,
অমগা অমগা মাসকবা
করম্বা পোশীমা পুল্লিবা? ॥

হায়নৈ মীনা অচুম্বক মপু অমত্তনি
কন্নিগীদি হায়রি মওঙ মরিন নাইদবনি?
শাথীনম্‌ খেন্নবা
শক্‌ ওন্‌ লেপ্পা নাইদবা।

ঐনা উবনা অমনি
অমনা কংনকবনা অ'তাপ্‌পনি
মওং মওং উকবনি
মমিং মথা মাংলদবনি ॥

অঙক্‌পনি জগৎ নঙ্‌গী থোংদো
অমুক্‌ শেংবা মহাক্কী মতৌ
'হুম্মা শেন্‌নবা মওংদা
তোঙান্‌ তোঙান্‌বা শকওন্দা,
করম্‌ হায়না তিমরিবা ?
করম্বা লৌচিংনা পুল্লিবা ?
গ্রহপ্‌সবা থেংনদ্রিবা
মালেম্‌সিবু হিংলিবা ? ॥

থঙ্‌লে ঙসি থঙ্‌লে
হৌজিক্তা হাপ্পল কাওরক্‌লে
হুমিং মানা তারম্‌দাইদা
পুক্নি মামা খাচংলক্‌পদা
ঐগী থম্মোয় লকাহুংদা
মীহুংগি থঙ্‌গৈ ঈহৌদা
থৌশিন্‌ তক্না চংলগনা
ঈরৈরৈহি থৌরবী কদাইদা ॥

-X

পুন্সি

কৰি হায়না নৈশরৌনি
কমবা শৈশক্তা শকনি ?
করম্বা মওঙ্ বু শিঙ্ থানি
পুন্সি শঙ্কম্ কয়ানি ।
শিঙ্ থাহনা লৌইশিনবা ?
অরেপ্পা কীরেপ্ নাইবরা ?
পাক্-চাউরবা মালেমদা
কনাগী কীডম্ কদাইদা ? ॥

খুংডা খোঙৈ পায়হনা
বাখল্ কয়া থন্দুনা,
ঐনা হংঙৈ কয়া—কয়া
পুন্সিনা তাবিদে ঐগী ইথা ।
মদোম্ মদোম্ চংলি
খোদোক্ কয়ানা তাকলি।
থাম্বতবু য়াদবনি
কীডম্ গী মথা পোন্ বনি ॥

অঙাং নবা ওইরঙৈ
পনেম্ পছৌনা কোল্লিঙৈ,
হুঙাইবগী হুঙাইনা
অকি অখং নৈডবা ।

অনিঙ্‌বতা হায়বা
অরৈ লৈতা খঙ্‌দবা,
অচুম্‌ আয়ান্‌ লৈরম্বো
মপু মাগা মাইকৈদো ॥

পুন্সিগী পুম্নকক্‌ তাংদাদা,
মালেম্‌ সিন্নু খঙ্‌ঙক্‌পদা ।
অমা-অমা শাহৌরক্‌খি,
পুক্‌নিঙ্‌ কৌশিং কাকুখি ।
অমা-অমা খঙ্‌ঙক্‌খি
অবা-অনা থেংঙক্‌খি ।
তাইবঙ্‌ লান্দা চঙ্‌ঙক্‌লে
ওইজা ওইথক্‌ তাপক্‌লে ॥

পুন্সি লম্বি লেম্বইদে
হায়না তানা ময়াদে ।
পোত্থাবা কৌবতা মরৈতে
মীকুপ্‌ তাঙ্গা নাইরক্‌তে ।
ওইরবতা ঐনা খিরি
হন্না য়েংবা লৈতরি ।
লানুম্‌খিবরা খঙ্‌দে
পুন্সি হৌখিবদি খঙ্‌হৌদে ॥

কনানা লানুম্‌খরে
লৈপাক্‌ নিংথৌ ওইখরে ।

কনামনা পুন্সি লোয়্থরে
থর্বনা মীখা পোর্ন্থরে ।
মীনা মীবু বায়েঁরে
থরাই কঁয়া লৌথরে ।
মীনা মীবু কৈদৌবনো ?
করম্বা শাজিং কৌবনো ? ॥

ঐনা ঐগীদমক্ মথৈ
ওইরঁদে থৌক্ মীগি পাটেঙ্
মীবু তেংবান্ বস্ কয়াঁনি
পেঁজবগি লৈনাইগিনি ।
পীথোক্লগা হুজাইবা কয়া
কংলগনা পেজবা কয়া
'হুম্মা পেম্নবা থৌজাঙবদা
মীওইবনা বাজথ্রবা কয়াদা ॥

মীগি কাননবা হোৎনবা
পোথাবা কৌবতা নাইত্রবা
অহিং মুংথিল্ থায়দবা
অবাবা থৌশীন পুহনা
মাঙহন্ থরে পুন্সি কয়া
পাম্জথিদে মীংচৎ কয়া ।
'হবু' মহাজনা পেঁজখি
'হুম্মা পুন্সি লেন্খি ॥

অতন্ তন্দা থিদনা
হোৎনা কবে লীচিঙ্না,

অহল নাক্তা কমলগা
পুকনিঙ্ লৌশিং ভাল্লগা,
লাইবক্‌পুদি খোদাংনা হেন্‌বা
সোয়রম্‌দগে অচৈৎপা লাইবা।
মাগী নত্তে ভাইবঙ্‌সিদি
অপঙ্‌ বুগ্না অতন্‌বগীদি ॥

অঙক্‌পনি মীওই খোঙ্‌চৎ
শীগনি খঙ্‌দবা শাজৎ
মীকুপ অমাফাউ খল্লুদে
কল্লি খোকনি নিঙ্ঙুদে।
মালেম্‌সিমা ঐগীনি খল্লুই
ফংগত্রা হান্নবা হোৎনরুই।
শেনদোং মাবু ভাল্লিঙৈ
লোইরকখি পুন্সি কুমৈ ॥

থাম্না পাইখিবা চেক্‌লাওম
ঊনা ঊনা মাঙ্‌খিবগুম
কন্নবা শরক্তা হৌখিবনো ?
লম্‌দম্‌ কৈদবু য়ৌখিবনো ?
কনানম্ভু ৱাহংদে
লমদাং য়াম্‌কুত্রে খল্লুদে।
ভাক্‌লম্‌দনা লমথুংখি
পুন্সি কোংগোল্‌ তাক্‌খি ॥

—X—

খোঞ্জেল

করিগিনো পুক্নিং হক্তাং
হৌহল্লিবা লাঙ্তক্নবা ঈবাং ?
কনাবুন্না থল্লক্লবা
মতম্গী লৈরোম্বা চনশ্লবা।
নোংমা নোংমগী কাউথোক্লবা
নিঙশিং পামেল্ তুশ্লবা
হল্লকখি রাখল ঙসিদি
তাক্লবা মাগী খোঞ্জেল্দি ॥

তাম্লবা চীঙশাং থক্তুগী
তাম্বা খোঞ্জেল্ তম্লাগী
করম্বা অবা-মপাউবু তম্বনো ?
নিঙ্বা কাইরবা থম্মোইবু তাক্পনো ?
কনাবু থল্লগা তেংথাবনো ?
করম্বা থম্মোইবু কাইনখিবনো ?
হংলৈজ ঐনা তঙ্না
ঙাইরি ঐনা ঈথৌ লাংনা ॥

অমুক্ হেন্না চোইঙাউনরে
পলেপ্কমদি লৈরক্তরে
খোঞ্জেল্ নঙবু তাক্লবদৈ
তাম্লবা চীংশাং নাপোম্দৈ ।
থেঙ্লবা অচিং নোংমাইদা
মীচিক্ মীরাউথোল্ তারক্লবদা
তাউবা হুইঙাউগী খোঞ্জেল্না
অবা পাউজেল্নু তাক্পনা ॥

মহৌশা লাইরেম্বাগী খোঙ্মন্দি
কায়দরা চংখ্রিং মুলেম্বদি ।
খোঙ্জেল্ মাঙ্গি লোনবা মৈচেত
চেকলাগী খোঁজেল্ তৌবগা
চরোইগী টেট্টু খোঁজেল্না
য়াঙাইরৌখি তাক্লি তংজনা
ইমুং সোরা তালে তাক্লি
তাইবঙ মীওইবি মিক্প তাবি
মহৌশা খোঙচৎপু খোঁওইদে
মপুগী খোঁশীন্ থম্দে ।।

নিংথম্ থাগী উলেন্না
থওহৌদনা তাক্খিবনা,
থওহৌদে করম্বা সরক্তা
লাক্খিবা মালেম্ থক্তা,
বসন্ত কৌবা ঋতুনা
নোংমৈগী কোকিল্ খোঞ্জেল্ন
পাউজেন্লকখি থওহৌদনা
চেক্লাগী সুবর্ণ খোঞ্জেলনা ।।

অঙক্পগী খোঞ্জেল্নি
পুক্নিং চম্ত্রুৎপগী মঙংলি ।
রাংজবা উশাৎ থক্তা
বসন্তগী অয়ুক্তা
মিরবা খোয়াংনা।

অরেপ্ অথম্ব নাইদনা,
কৌরি কায়নরবা কনাবু
লাকদ্রা হায়না ঙুংশি মাবু ॥

অয়ুক্কি লৈকোল্ ঙুংদা
খোইমুশিংগী খোঙ্জেল্না,
কাইফত্রবা মাগী খোঙ্গাং
সোইফত্রবা মাগী খোরাং ।
চত্থরক্লি 'ঙম্বা,
মহৌশা মাগী খোশিল্লা ।
খোঙ্জেল্ মাবু তাজব্রী
মহৌশাগী কুমৈ য়েংজব্রো ॥

লম্থুমদি মৈপোক্বী
খোঙ্জেল্ মাগীদি শুংশিবী,
মাগী খোঙ্গাংবু তারবদা
চীকলবা তাঙ্গা অমদা,
শৈরেংবা কয়াগীদি শৈশক্কম্
কাউত্রবা বাকল্গীদি নিঙ্শিংকম্
তাইবঙ্ চৈনাবুদি কাউথোক্কম্
বাখল্ মাগীদি পন্থুংকম্ ॥

য়েংঙ্ পাকচাউরবা মালেম্সি
তাবরা মশিঙ্ নাইত্রবা খোঙ্জেংলুস,
খোঙ্জেল্ মাবু খঙ্ঙুদে
মকোল্ মাগী তাকলম্দে.

মীৎ লৈনা উদবগুম্
নাপলৈনা তাদবগুম্
খঙ্দবগী অরাবা
করিনবু কোকদবা ? ॥

নত্তে ঙম্মা খন্বসু
খোঙ্জেল্গী মরোল্ খঙ্ত্রবসু,
খঙ্দে লাক্তে হায়বিসু
তাইয়োম্নবা তৌবিসু ।
নাপা চুম্না তাবিয়ু
পুক্নিঙ্ মাঙোন্দা হংবিউ ।
খোঙ্জেল্গী মরোল্ লৈবনি
লাঙ্তক্খন্বগু মহাক্কি ॥

চেক্লাগী য়ারা খোঙ্জেল্না
মহৌশাগী কীদম্ হোংবনা,
তাক্লি মরী মহাকী
সোয়ক্ত্রবা মহৌশাগী খৌদোকী
অহিং সুংখিল্ থায়রি
থাদি থ'নৌ নাইরি
কুম্গী নোংসু হৌরক্খি
অনৌবা শারোন্ পুরকখি ॥

মালেম্ শিরা তাবিবা
খোঙ্হাং ইপোম, ইয়রিখা,

অরোই অথম্ নাইজ্রিবা
মহৌশাগী শাক্লোনুগা লোয়নুবিবা
খোঞ্জেল্ নঙ্দি মহৌশানি,
লাইরেম্বী মাগী শাক্লোনি
খোঞ্জেল্দি মালেম্ শীনুবনি
অদুম্মা মহৌশাবু খঙ্জবনি ॥

ঐসু ইতোম্তনা খঙ্তনে,
করিগি বাহংনো হায়ঙম্দে
নীঙাইদনা লৈবসু লৈঙম্দে
খোঞ্জেল্না ঐবু পোথাহন্দে
হংজৈ পাউরোল্ মথং মথং
খোঞ্জেল্ মাগীদি মথং মথং
করম্বা শক্তম্ লৈবনো ?
করিনা মাবু খঙ্গবনো ? ॥

নোংমা চীক্লবা তাঙ্খাদা
নায়তোম লৈবা মতম্দা,
হঙ্কুখি বাহং কয়া
চীক্লবা থম্মোইগী য়াবা
নোক্পদো অঙাং নবানা
পলেম্গী হুংশি খোঞ্জেল্না,
চেপ্লক্থিবদো খরি মপাঙ
তাক্কবদা তাঙজ্রি মপাঙ ॥

মীওই খুদিংনা খঙ্গবো,
পুক্নিংথোঙ-গী মঙোল-দো,
খোঙ্গুল্দি মাদি মখল্লি.
পুক্নিংলোন-মানা মহংদি,
অনিংগী তিমবা তাঙ্গাদা
ময়াই কারবা জগোইদা
ঐখোয়না করি খঙবগে ?
অপেনবাঁ করি তৌবগে ? ।।

শৈশক-কয়াগী খোঙ্জেল-না,
ঈথক ইপোম্ হৌবনা,
মুঙ-মাবু তাউহল্লি
কুম-গী নোংবুল্ হৌহল্লি
খুদক্তা বসন্ত লাক্-খি
মহৌশাগী শক্তম-হোঙক ।
খোঙ্জেল-মাদি থবাইনি
থবাইগীদি হৌরক্-কম্-মি ।।

—X—



খোঙ্চৎ মাঁজবী [illegible]
তিনদবা লম্বী চৎপনা,
মানা-মানা খোবৃপা
পুন্সি লমদাং থীরকপা,
চৎমিন্নসি মহায়নৈ
চীয়োল্ কয়াম্থু মতৌনৈ
লম্বী মফাং তৌহৈদে
থাইনা লম্বী পামফদে ॥

পুন্সিগী লম্দাং থিরকৃপদা
মালেম্গী শক্তম্ খঙক্পদা
মানা মানা পাম্জবা
অহু খঙ্না খোঁরাঙ্জবা ।
পিশক্ পীক্লিঙৈদে থঞ্জরকপা
লম্বী মাবু থীজরক্পা
লম্থুংখিবরা খঙ্দেদো
লমুক্থিবস্থু কয়ানিদো ॥

ভাইবঙ্ লম্বী খোঙ্চত্তি
খোঙ্থাং হৈতবৈ শরুক্তি
পোত্থা পামেল্ মখোঙ্দা
অমা পোল্লুম্ থারকপদা

উনা-উনা উয়োই
পাঃমেল্ মাবু কংলোই ।
পুন্সি খোঙ্চৎ হাইখিনি
লুবক্না লোকসা তিনুখিনি ॥

ইতোপ. তোমা শকক্ন্দা
পাম্জবা শুক্ংদা,
নীঙ্বা কায়বৈ মৈচাক,
পুক্নম্ জবা বাহংবা,
থোরক্খি অচুবা খোঙ্থাংবু
য়েঙকখি নিঙ্গী লম্দাংবু ।
ওন্থোক্ইদা থুদক্কি খোদোক্
নীঙাইখিদবা ঙাইহাকী বাথোক

মঙ্লান্দি কয়ানি,
পাম্জবগী কয়াম্নি,
নীঙ্জবু শংগে তাবা
শকক্পা মাগী আপাম্বা
থবকা বাখল্গা খেন্নবা
চুনদরবদে হৈরেনবা,
কাইনথঙ্দা খঙক্পা
নীঙ্তম্লকে খল্লকপা ॥

অনুম্ অনম্ হৌখিবনা
মাঙ্গী লমদাং তৈরকপনা

বাখল্ মাদি লৈহৌরে
মতম্ অদি [illegible] ।
য়াম্লো [illegible] [illegible] ,
কায়থোক্লগা [illegible] পাইরম্লে
পুন্সি [illegible] [illegible]
লৈহৌরেদো মীৎ [illegible] ইথোৎলাং ॥

মঙলান্দা লম্বী য়াম্লবা
তুংগী লম্দাং খঙদবা,
পাইরকী বাখল্না লম্জিংবা
বাখল্গা খোঁদাংগা চুনদবা,
নৌহৌননা শেম্গৎলক্পা
কাইনথঙদা মেন্দাখক্পা,
হৈয়োনগুম্বা কেন্থিনি
মতিক ময়াই য়াংকনি ॥

অহুবু, মানম্বা খোঙ্চত্তা
অসুক্ য়াম্লবা লম্দাংলক্ত
হৈনাশিংনা চৎপনা
লম্বী তিংথং খঙবনা
তপ্না তপ্না য়োকখি
অপাম্বা লম্দম খুৎকখি ।
মীওই খরনা লৈহৌরে
খঙমনা খুংলরে ॥

মত্তাচাবদি লৈত্তবা নত্তে
খুদোংচাবম্লু থেংনবা নত্তে,
লাইবক্ মাবুদি উরুদে
কৈদৌতৈদম্লু থেংনরুদে,
লৌশিঙ্বা হৈবে য়াকম্নি
লম্বী খত্না চৎহল্লোগনি ।
খুদোং চাবা হল্লক্তে
হল্লা হল্লা ম্নোরকতে ।।

লম্য়াম্বদি শকথত্তি
অকা-ফত্তা মথেংতি ।
মানা লম্বী য়াংপদা
য়েক্লা তিংথং কয়াদা
থেংনরকপনা লম্বীদা,
ওইরকখি লৌশিং মাঙোন্দা ।
'হুয়া অশেম্বা লম্দাংদি
ওইরকখি লাইবক্ফবা কনাগীদি ।।

অশেম্বা লম্বী চৎপনা
অয়েৎপা খোঙচৎ ওইদবনা,
হোৎনমন্দি মকংলোই
খৌদাংগী হুত্তাইবম্লু মখত্লোই ।
অবাৎপদি লৈগনি
পুক্নি মপুঙ কাদবনি ।
মপুঙ কাদবা পুক্নিনি
অহাবা করম্বা খত্গনি ।।

লম্বী.বি কয়া কয়াবি,
তাইবঙ থৌঙচংসু ময়াম্-নি,
কনানা কদোম্-দা চংলিবা
কদম্বু শুঙগদবা ?
পুন্সি দৈলপুন্ কয়াস্তু
বাশক কয়া লৌগ্রবসু
লমখাঙ্-পী থোদোক্পা
লম্-দাং খাইরক্-বি খুদক্পা ।।

থম্মোই মাদি নৈহৌরে
শাইর্বা লম্বী তান্থরে ।
মুংশি কৈথেল্-সু থম্-থরে
খাইনা অহিংদা তিন্থরে ।
লম্বী লম্দাং উয়ক্-তরে
পুন্সি মৈতাল্ মুংথরে ।
অঙকপনিকো তাইবঙ্ লমদাং
লম্বী মাঁদি মকাং মকাং ।।

—X—

নুংগাই থক্কী থম্বাল্

খোজৈ´ পায়খৎলি কয়ারক্
উংজানরুই অহুমক্ ।
রাখল্ মেন্বু তাঙম্দে
মুংগাইদা থম্বাল্ শাৎকদে
মহৈশাগী খোদোংক্ ওইকদে
মুঙ্দি মীমুংশি থঙ্কদে
তাইবঙ্ ফীভম্দি কম্দৌরি ?
ওন্না তৈনবমু মযাওরি ॥

পামেল্ থক্তা শাৎপী
উথম্বাল্ থরেক্পি,
অরাংবা থাক্তা লৈত্তেংবী
হাইনা হন্না শাৎলিবী,
হরাও মথোই কান্নিবী
নাপল্না শাহুন্ ওইরিবী,
নঙ্বু থঙ্বদি অরাবনি
অরেম্মা থম্মোই চেম্নবনি ॥

উথাম্বল্নু থম্বাল্নি
লাইজথকী থম্বাল্নু থম্বালনি,
চে-না সাবী থম্বাল্
খুৎশা হৈবগী মপাল্ ।

(শেষ)

খম্বাল্ মখল্ মখল্নি
কনাম্ব মুঙ্গাই খক্তা শাংভবনি ।
তাইবঙ্ পুন্সি খম্বাল্বি
মশাংশম্ব য়াওবনি ॥

শক্ওংদা লৈরাং থম্বাল্মি
খেমবা লৈতবোই মখন্বনি,
থম্মুংদা লৈহৌ চেন্দবীনি
খম্মোই মুঙ্গুম্ কন্বিনি ।
লৈনম্ চেন্দবি লৈরাংগুম্
মুংশি মীনোক্ হৈতবগুম,
তাইবঙ্ থম্বাল্ মহাক্তি
নত্তে শীতেল্ মুংগাইথকী ॥

ক্গাইনা শাংপী লৈরাংদা
নোংমগী অয়ুক্ অঙন্বদা,
খোইমু সঙ্ পাইরক্লগা
লৈকোল্ ইনিন্ নিল্লগা,
লাইরৈবাক্কে লাইয়াম্বা
লগোই শারবোই হায়রম্বা,
অসুম্ হায়না খঙ্কই
মহৌশা শক্তম্ উৎকই ॥

লৈরাং পুনমক্ অমত্তনি
মপু মাগী খুদোল্নি,

পুকনিঙ্ কিসি থাংদবনি
অচুম্বা শকুঙংতা ঊৎপনি,
মকত্রবা পুকচেল্গী তুঙনকম্
খোইমু মাগীদি খোইদাকম্ ।
তাইবঙ্ থম্বাল্ কনাদি
মুঙ্থম্বা কনবা থম্মোয়দি ॥

মহৌশা কৌবী লাইরেম্বী
থৌগ্নীন্ হৈবা অতম্বী,
শোয়কদে থল্লুই ননিঙ্দি
থৌশারম্দ্রে তাইবঙনদি ।
নোংদম্বা নঙস্ু মসোয়বোয়
অতম্বা নঙগী, চুমদবোই ।
তাইবঙ্ থম্বাল্ মুঙ্গুমদ্রে
খোইমুনা লৈরাংগী মহুৎ শিনদ্রে ॥

পুন্সি ঈচেল্ কয়াদা
মশিঙ্ লাকুপ্রবা ইবৈদা
লাইবক্ থীবা কনানা
লৈরাং লৈশক্ মুঙ্দবনা
লম্মী খোঙ্চৎ এক্তিনবা
পুন্সি খোঙ্লোয় থইরবা,
থম্মোই চেক্তবগী হৌনবা
খোইমু পুন্সি মাঙ্জবা ॥

ঙম-তৈবা শাকুৎনি
তাইবঙ্ কনানা থঙ্গনি ।

(মুঙ্গাই থকী থম্বাল)

চুম্ত্রিত পাইজবা খোইমুনা
মচু চেন্বীনি খঙ্দবনা
পামজনা শাগৎচবা ফুরা
থরাই লৌবী লুরা ?
মুঙ্গাই থকী থম্বালরা ?
খাঙ্ থকী পুন্সিবা ?
মচু চেম্বি লৈরাংনা
মুঙগী শক্তম লৌদুনা
লাইজা ঈবোল চল্লি
থম্মোই মুঙগুম কল্লি ।
খোইমু কয়াগী পুন্সিনা
অরা মৈশা লাংবনা
থম্বাল গুম্না শাৎলি
মুংগাই শজা লেল্লি ॥

ঙক্তগী ঙকপা অঙকপা
তাইবঙ্ থম্মোই অমকপা
ননিঙ্ নখা ওম্বনি
খল্লিংবতা থনবনি ।
থরান্ থাগী নোংঙুম
হাইকম খংদনা লাকপগুম
খুদক্তা কবিবু খল্লিবা
কনানবু খংবা ঙমলিবা ॥

অঙকপা খুৎলেম ময়ামনি
মালেম্ থম্না লৈবনি ।
লাইনি হাইনা খুবম্নবা
নোংমগী ঙওনা শোম্নরিবা

থাক মাপী ঙম্পাক্তা
খোঙদাকই মীওইনা হুন্নক্তা
অহুবু পুকনিংনদি মহেন্‌বুনি
খ্বাইদগী হেন্না ঙকপনি ॥

অঙকপা থৌদোক ঙকতনি
মালেম্‌ শিন্না লৈবনি
মীনা শেম্বা ঙাক্তনি
ঙকলিবদি মী অহুনি।
অসিবুসু হেন্না ঙকপরা
মুজা পুকচেলনা হেনবরা ?।
হাইমন তৌমনরনি চাযরম্সিরা
সোয়নবমক্তনি হাইনবু শল্লসিরা ॥

মহৌশাগী করম্বা খুৎশেম্নো
অসিবু কনানা থংবনো।
থোং নৌবী লৈরাংনি
হুংশি হৈবা শক্তমনি
তাইবঙ্‌সিবু কোল্লিবিনি
মালেম সিবু য়োকপিনি
অহুবু লৈকাহুংগি তিন্‌হুদি
ওক্তরেদো খোইমুশিংগি অবাবদি ॥

পুন্সিগী খোঙথাং অহান্‌বদা
ভশেংবা শক্তম্বু থংদ্রিবৈঙদা
জম্বী মাদি লনোকনরে
লৈরাং শক্তমদা শুক্ষৎলুরে
খোইমুদি কাইদোংঝম থঙকতরে
মুংগাই থকী থম্বালশুমথরে ॥

×

চুম্‌ ত্রুঙ্‌ শাইজবা খোইমুনা
মছু চেন্‌ বৌনি থঙ্‌ দবনা
পাম্‌জনা শাম্‌চবা কু্রা
থরাই লোবী হুরা, ?
সুঙ্‌ গাই থকী থম্বাবুলা ?
থাঙ্‌ থকী পুন্সিরা ?

-X-

চৎনবী

থল্লু বগা ইঙক্ ঙক চৈ
মঙমগী চৎনবী কিজ্জে ।
অহল্ নহা থায়রম্দরে
মঙম্ মহা নাইরম্দরে ।
মানা থ্ংদবা লৈরম্দরে
মালেম্ শিহা থ্ংলরে ।
কুমগী নোংবু কনানা খিংগনি
চৎনবীবু কনানা খামগনি ? ॥

খোঙগ্রাউ অহন্বা শেগাইরে
থুকউ মথা ককথৎপিরে ।
মনিঙত্থু ফোযদংলে
অমুক্তা হল্লা তাইশিল্লে,
যে বদা থরেৎ থরেৎ
তাহোৎরেদো মচেৎ মচেৎ ।
কনাগুম্বনা ঙক্না য়েংলি
তাওরববা ? হাযনা থল্লি ॥

য়েংনবা শেৎলিবনি
মহুতনা পোঙবনি,
মীনা মুংশিনবা শেৎপা লক্তে
মুংশিবিউ হায়নসু থাচৎক্তে

চৈ-থাংবন্থতনি পাম্‌জরিবা
মহুতনা, মুতাইরবা।
য়াম্না কন্না কেংঙ্খিরোইদবনি,
নথো লৈব্রা? চায়রকনি॥

ক্রীংতুনা কম্‌দৌরি?
লেঙজয়া খুদাং য়োঁবি।
তকোম্‌ তকোম্‌ সেংশম্নি
খুক্‌উ য়োঁমিঙ ফোন্‌বনি।
খোঙগ্রাঙ্‌গী মঙঙনে
ক্রীং মাগী মজানে,
অঙক্‌পা শক্‌ফম ওইরে
ওক্‌চানবিগৈ গাঙীনা রাইরে

নীপানা লেঙজম্‌ থংলরে
সুপীনা লুখম্‌ কাল্লরে,
শম্‌কক্‌ লাকক্‌ ওররে
কনানা কনানো খঙদরে।
লাপ্‌তক্‌ য়েংবদা চিংনরে
মফম্‌ মরাং খঙদবৈ।
চুমতা য়েংলগা য়ারোই
যেংবস্থ হৈবা তাববোই॥

হুন্দ্‌ ন্তবা হমুবা
মশম্‌দা মচু শঙবা,

চহি ফাজন্‌গে হৌৰবি
রাখিল্‌কি নহা খুইরি ।
কুমৈ কিয়োংদা ঈমাঙ কম্‌লি
খঙ্গাই তানা নোকলি ।
মমীৎ মনা চোইরী
মমৌনা নোক্‌কেৎ ত্তোরী ॥

কনাদা করি হায়কনি
চৎনবীনা চৎনরুকপনি ।
ঈহৌ মখে লাংবনি
মত্তম্মা পুরকপা ঈরাংনি ।
মুঙাইবদি ওল্লাংথানি
পাম্‌জবা ফিজেৎ শেৎপনি,
পাম্বোম্‌ কক্‌পী ফুরিৎনি
মশম্মা শাইদা কক্‌পনি ॥

তাশিন্‌ খোম্‌জিন্‌ সেৎলি
মওঙ মরিন্‌ তাহল্লি ।
চীন্‌বান্‌ মাযথোঙ নৌহল্লি
মমল্‌ চঙনা সেম্‌লি ।
হাইনা হুম্মা চৎচরি
নহামথৈ চঙকনরি ।
হেরা, শিগদবা থবাইবু
হুম্মিতংগী পুন্সিবু ॥

কনানা করি হায়জরনি
ঐগী ইরম্মা কেজবনি ।

নোক্সা মাউয়া কাঙবুনি
মরনু লৈতঙ্গনা তৌবনি।
থবক্ শুনিঙাই লৈতবনি
সন্দীদা কোয়চা চাবনি
মীগি মতৌতা য়েংবনি
বাক্লেমত্তা খুংঙবা কাঙবুনি॥

চৎনবীনা চৎনরকুলৈ
ঈকাই ইকি বাংমা লালে।
য়ানবী য়াউমা বাচৎলে
য়ুমবানলোনবু শন্দোকুলে।
ইকোং ফোংনা তাকলে
পাইস্থি পুম্নমক্ খঙহনলে।
হীগায়রা চঙঙ নহারোন্দা
খঙনিঙবগী চাংয়েংদা॥

অরোন অথুপ নাইদরে
মফম মতম লৈরকুতরে।
তাফদবা না-না তাশিল্লে
য়েংফদবা মীৎনা য়েংলে।
ফিচুপ ফিস্নেন খায়দরে
নুবাক্ লৈথুম নাইদরে,
লৈকাই সরা সল্লে
খৌশীম্ চুমদবনা মাঙহল্লে॥

হোংদোক্ হোংজিন্গী ভাইবঙনি
অরেম্ব কৌবতা লৈতবনি।
ঙসিগী চাক্চা-য়ুথক্
চয়েংনা অমুক্তা শান্দোক্
অরি অনৌ লাক্নৈ
ওস্কোক্ ওন্শীন চৎনবৈ
ঙক্নিঙাই করিসু লৈবদে
মতমসু অরেপ্পা নাইদে ॥

লৈ-শানা কক্পী, লৈশাবী
থায়নগী শম্কক্ ফজবী,
চৎনা ঈহৌ ওইবনা
অচুমক য়েংনৈ ফজনা।
থা-বু ওন্বী থাওমফী
চৎনা লোন্দা থাওম্ফী,
অনৌসীগী তুনবা
মপা লৈতনা ফজবা ॥

কদাইদবু মাঙগ্রবা ?
করম্ তৌনা লোইখ্রিবা ?
মতম্ অমগী চৎনবী
হৌজিক্তনা লোম্নদবী।
হায়রম্ তাক্লম্বনা মাঙখ্রবী
মথোম্ মদোম্ মুৎচখ্রবী।

অহুবু হল্লক্‌ খিনি সোল্লদনা
কুম্‌গী মোংনা হল্লক্‌পগুম্না ॥

অকক্‌নবী লৈতে চৎনবীদি
তানরম্বা লৈতে মসিদি
মতম্‌ মতম্‌গী ঈহৌনি
থঙহৌদনা লাকপনি ।
মানবনা চৎনবীনি
মহুত্তনা কল্লবীনি ।
খোংদাই সেৎসি মসেৎসি
তাইসল্লসি মতাইরসি ॥

-X-

খোঙ্‌-গাড়ী

ক্রৌং ক্রৌং খীঙ্‌হুনা
মীবু হন্দোক্তু হায়হুনা
কম্মা হোংলি খোঙ্‌-না
চেল্লি কম্মা খোঙ্‌-গাড়ীনা
খ্বাইদগী মাঙ্‌-থাগে ত্যান্নরি
ওস্থোক্লা কম্মা হোৎনরি
স্বর থবেৎ থবেৎ হোন্দুনা
হমাং লীক্লিক্‌-কাংহুনা ॥

তাইবঙ্‌-কৈথেল-কাকুগে
অহাম্বা পোকম্‌-তাল্লুগে,
মীনা য়োন্‌ত্রিক্তৈ য়োলহৌনি
শেন্দোং কম্মা তাল্লুনি ।
য়্যাবমথৈ হাপ-চিন্‌গে
খোঙ্‌-গাড়ীবু পুহনগে ।
ঐগী সুংশিরবা শাদোংনি
অরাবা মতমগী মরূপনি ॥

লম্বী লম্‌-দাংদি কক্তেদা
অকুৎ-অতোঙ্‌-নাইত্রেদা,
হৈনা শিংনা থৌত্রবদি
লম্‌-দাংসিবু থঙ্‌-ত্রবদি,

ভরা কৈখেল য়োত্রিবৈ
সরকী টৈঙোবু থাওশিনবৈ
পুন্সি ফুরিং তাক্লিনি
শেংঙোং শেংলেপ্‌ মাওথিনিং ॥

খোঙ্‌গাড়ীনা চেম্বদি
ইদোম্‌ ইদোম্‌ তেংবান্‌ বদি
মীগি মতেং পাম্মুদে
হোৎনজনবু কাম্লদে ।।
নিঙ্‌তম্বগী হুক্কাইরা
মীগী মীরা তাবরা
হোংনরকুপদা পুন্সি লমচাং
শক থক্লকুপি অয়ানাগী মচাও ॥

লুনা তৌজ্জ ঐনা
কানমন মশক থনা
মাই কৌবতা হায়রবন্‌
য়োংনা শাকা ওইরবন্‌ ।
তৌবীনবু থঙ্‌ত্রবদা
অচুববু যানিঙ্‌ত্রবদ
চিঙ্খিবদি ঐহাকুত্তি
ওইকদেকো নসিমকত্তি ॥

খোঙ্‌গাড়ীনা ঐবু হায়রি
তাইবং বাকম্‌ কর্দা লৈরি ।

ঐদি লোন্ থোক্তবনি
নঙ্গী নমিঙ্কা ইব্রবনি ।
নঙ্না থোরগা ঐনা চেম্বনি
ঈনিঙ, ঈথা তম্দবনি ।
নঙ্গী হোংনমম্বা ৱা লৈরে
অসিবু হেৱা লৈরম্দরে ॥

নঙ্না থোনবনা ঐদি ৱারে
ইশা পুনমক্ মাঙ্কলে
কাঙথা থাঙ্জুম্ তারে
কানফম্ থঙ্দনা লৈরে ।
ঈ ঙক্ ঈরুন্ লৈমা-লৈনা
নঙ্না ঐবু থোঙইদবনা ॥

হৌগংলু লাঙ তম্গমু
অরা অনা খিগমু ।
তাইবঙ্ লম্বী শক্থঙ্ঙুসি
মীয়াম কুম্মৈ য়েংঙুসি ।
ক্রৌং ক্রৌং খিঙ্ঙুসি
মীযাম্গী মমাঙ্ থারুসি ।
তাইবঙ্ ঙিঙাক্ তাক্লুসি
মীগী থোঙ্দা চঙ্ঙাইসি ॥

নিঙ্তম্বগী মহুক্উদ্দিন,
কবি হায়নি মসিদি,

খোঙ্‌হুপ্‌ শেম্বা নীপাদো
লম্বী ময়পান্দা কম্বদো
শেন্‌কম্‌ থম্বা ভাম্লগা
মনিঙ্‌ মুম্বা তম্‌লগা
মথুম্‌ মায়কৈ তম্‌খি
কনাদন্থ হায়বম্‌দনা চংখি ।।

থৌঙুমন্‌ বাংবা অচৌ অশাং
মীশা-পোন্‌বা পুক্নি লম্‌দাং,
কযাম্ভা তোন্‌থবা মাঙাক্তি
থানা পুম্বা ভম্বাগী থবক্তি
পুক্নিংগী থাবু হায়কদে
নিঙ্‌-থা উন্দকদে ।
লৈ'য়ঙ্‌ ফাহুনা থাঙ্‌গনি
মপুনা হায়বতা ইন্‌গনি ।।

মশিঙ্‌ নাইত্রবা তাইবঙ্‌সিদা
কনাগী থীভম্বা কবিদা ?
কনানবু হেল্লিবা
কনানবু তোল্লিবা ?
অনেম্বনা করিনো ?
অরাংবনা কৈদনো ?
নাপী মানা নেম্বরা ?
নোংমদোন্‌ মানা বাংবরা ? ।।

কংবা লাল্লান্‌ অবাংবা,
থাবু লামগে নিংজবা,

নশাবু নশানা [illegible]

করি ওইশনি হায়ঙমদে।

য়ু-হানা মালেম্ নিকপশা,

নোংদৈ মুংশীংবা শীংপর্দা.

নও্দি থক্ থক্ নীকর্নি

নাপী গ্রদি নোকন ॥

বাংঙি হায়বৈ-[illegible]

লৈশিং হায়বৈ তোঙ্গদে।

কনানা কহিদা হেক্লিবা ?

করুম্ হান্নবু তোল্লিবা ?

মুঙাইবদি লনাইনি

অক্কি অথং কৈতবনি।

খোঙ্গাড়ীবু তোংঙ্সি

ক্রৌং ক্রৌং খিংঙ্সি ॥

—X—

মতম্গী শৈরেং

চিঠি অমা ইবিয়ু
মচেৎ মচেৎ শেগাইবিয়ু.
অমুকস্থ শম্জন্বিয়ু
অসাং - ঙতেন্ নাইহন্বিয়ু ।
খংসাং—সাং, খংতেন্-তেন্
মথৌ তাদে মাগি মেন্
অমান্বত্তগী মথৌনি
বারোল্ মথৌ তাদবনি ॥

চৎনবীনা শম্খুংদবা য়াওদে
বারেং শৈরেং থায়দে ।
মতম্মা পুরক্পনি
অহুম্ অহুম্ য়ানবনি ।
তাঞ্জা নেঞ্জা, বাহৈ বাতা,
তাবদা মুঙাইবা তাম্বা মতা,
দরকার তাদে হায়নরে
মথৌ তাদে, পম্বদরে ॥

বারিনা ঈশৈ ওইরে
ঈশৈগী মেন্ য়াওদরে ।
তান্ থাবগী মথৌ তাদে
দারি, কোমা য়াওদে ।

ঙক্ ইদকো চৎনবী ?
          কল্লিদকো মানবী,
বারীদা পুঙ্ বু য়ৈরসি
          তানবু লাপ্তক্ থম্মসি ।।

—হায়নিঙ্ বনা করিনো ?
          তাক্নিংবনা কৈদনো ?
অপাবদি ঙাঙনরে
          অইবতনা খঙ্ বিরে ।
খঙ্ ননবা ইরক্ পরা ?
          কবম্বা মপাউবু তম্বরা ?
করম্বা মরীবু থম্লিবা
          অ-ই-অপা খঙ্ ননবা ? ।।

চৎনবীদি মানবিনি
          মানবিনা চৎনবিনি ।
— কৈরে কৈমিন্নবা
          য়ুংলে য়ুংমিন্নবা,
খোঙ্ থাং মাননা থাংবনি
          লৌচিং অমা থকুনি
মতম্ গী লৈরেং ফুরংনৈ
          বাখল্ দি চনৈ-থনৈ ।।

মানবগা মলোইরে,
          অমানবতনা মকরে,

মরু পাল্লবা হৈরাঙ্‌শুম

মরেক্‌ মঙ্গাউ ঙেন্নবগুম,

মপান্‌ খোঙ্‌দদি মানহন্‌ল্লে

অমান্‌বতনা যাচৎলে।

মঙ্গুতনা চৎনরে

অওই-ওইদা থিদরে ।।

লোন্‌ খোক্‌তবা মীওইনা

মথুং মশা হাইবনা

খঙ্‌ননবা হায়জরি

পুকনিঙ্‌গী বাবু তাক্‌চরি।

মরোল্‌ খোক্‌পা মীওইদি

শৈশক্‌ হৈরে হায়নবদি

চোইরোন্‌-পারোন্‌ লোল্লি

অপাবনা মকোক্‌ খোংলি ।।

ইঙাও ঙাওদনা ঙাওবা শাবা

লাউখোংবনা মহেৎবা,

য়াথল্‌দি মদোম্‌ লাক্‌চবনি

মনিঙ্‌ মথা তম্বনি।

লৈরাংনা লৈকা তম্বু

মালংনা শীরি শীংপবু,

কনানম্ভ হৌরুদে

য়থল্‌দি নম্ফু য়াংদে ।।

X–

কনানবু নীংখোলব্বা ?
করম্বা মতম্দগী চেলব্বা ?
কনাবুম্ব তাক্অম্দনা
-খঙ্হন্বম্ব লৈতনা,
চেল্লি বরাক্ তুরেল্না
ঙসি ফাওবা লেপ্তনা।
মৈহৌবোল্দগিনা ঙসি ফাও
হংবা লৈতনা মাগী মপাউ ॥

চীঙ্মান্ লম্দম্ কয়া,
থুখেক্ নাইবা চীঙ্যা তম্য়া,
ঈথেক্ কয়া থাইহনা
তোরৈ কয়া শেম্হনা
তারক্লি ববাক্ তম্পাক্
য়োক্পিরি অসিগুম্বা লৈপাক্
পুক্ ফববী পলেম্গুম্
য়োক্পিরুরগে মতাগুম্ ॥

নঙ্গী ঈচেল্ ঈহৌদা
ঙসি ফাওবা চেল্লক্পদা,
লম্দম্ কয়াবু তুংওইননা
মিংথোল্ কয়াবু লোহনা
কাই—ঈরং—মকু হায়হনা

ঈচেল্ শাফু থাইহুনা,
চেক্লি গুসি লেপ্তনা
মখোয়বু পাউজেম্বা লৈতনা ॥

অচৌবা মপান্ ফরিবৈ
নবুক্ থন্না চেক্লিবৈ
হ্যাউ মথোন্ কাজখি
ঈচেল্ খোঙথাং কল্লক্খী ।
নঙ্গী শক্তম্ হোৎকখি
ঈরাউ ঈখোল্ নাইরকখি
নঙ্গী শাফু কল্লকখি
তোর্বান্ অনিদি কিজখী ॥

নঙ্গী পাক্চাউবা শক্ওঙ্দি
তনিক্ তনিক্পা তোর্বান্দি
মপা লৈতনা ফজখি
মায়খোঙ্ কয়াদা নিঙ্থিখি ।
বংনা পাইবা নোংয়াম্না
নঙ্গী নতোবু উরুবনা
থাক্লাউনা নোক্চখি
নোংজু ঈশৈবু শক্চখি ॥

অমুকঙু লাক্খিনি পাউদম্খি
অনৌবা কুম্বু তাইরক্খি ।
"ঐদি ঈহৌলম্দা পাংগ্রগে
মহৈরোন্ ঈচাউদা তুঙ্ঙ্খিগে"

অসি হায়না পাউঙেলক্‌খি
নোংজু থাবু ঙাইরক্‌খি।
ভু-খোঙ্‌দা লোংচবী
ঈচেল্‌ পীক্‌না চেন্‌জখি॥

য়াঙ্‌গংলবী বরাক্‌তি
শক্তম্‌ ওন্‌থ্রে মহাক্তি,
থন্‌জকবা নৈলে বৈদোঙৈ
মতম্‌ মাগী করিঙৈ।
থেক্লা কোয়না চেন্‌জরি
ইঙ্‌না তপ্পা লেন্‌জরি।
মারা মখোল্‌ খোক্‌চদে
হৌখিবা মতম্‌বু নিঙ্‌শিংদে॥

নঙ্‌গী তোর্বান্দা লেপ্‌তুনা
বাহং কয়াবু পুহনা,
ভিঙক্‌ যেংলি ঐহাক্না
রাখল্‌ কয়াগা লোইননা।
তাইবঙ, মীমি কাউমদে
নিঙ্‌শিংবতনা মুঙাইহন্দে।
কয়াদা রাজব্রবা ঐহাক্না
হৌখিবা পুসিবু থম্লুবনা॥

কুম্‌গী নোংমি হল্লক্‌খি
মহোশাগী থৌনাং হল্লক্‌খি।

নোংমা খঙ্‌হৌদনা হৌরকখি
নোংচুপ্‌ মাইকৈ নিংনকখি
মালেম্‌ শিন্না থুংলরে
নোংঙু ঈরিক চাইররে,
হৈপাল্‌ লৈপাল্‌ তেখংলে
হানৌনঃ নেম্‌ নেম্‌ হৌরক্লে ॥

থোংদো অসে য়েংঙ্‌বদা
অনৌবা কুম্না হৌরকপদা,
বাখল্‌ পামেল্‌ নৌরক্‌খি
অনৌবা ময়োন্‌ চোঙকখি ।
বরাক্‌ নঙ্‌দি মচেল্লি
ঐস্থু অতুম্‌ ময়েংলি
অবা-হুঙাই লৈজবে
হৌখিবা মতম্‌ খল্লুদে ॥

তাইবঙ্‌ খম্নোইদি ময়াবে
হায়না তানা মইন্দে ।
হৌখিবনু খল্লুবনা
খম্নোই শোক্না কপ্লুনা,
অবেম্বদা বাজরি
পুন্সি করুপা তানরি ।
বরাক্‌ নঙ্‌দি খল্লদে
তাইবঙ্‌ খম্নোইগা মানদে ॥

কলক্ কঙ্গাউ লৈজদে
নীচঙ্ মীখাই নাইদে
কুমগী নোংবুম্ব থল্লুদে
নিংথম-থা লাকনিম্ব কীরুদে,
বাখল ফীহুপ্ নাইজদে
সুং-পান্ খায়জদে
অবা-নুঙাই চৈথেংদে
তাইবঙ্ মীদি ময়াদে ।।

—X—

য়েংজনিঙদে শক্তমদো

কয়ৌ নত্তবু খোক্‌ত্রকম্ব
মালেম্‌শিবু উহন্‌গন্তু ।
য়েংজনিঙ্‌দে ঐহাক্তি
কীহৈ হাইবঙ্‌ মুশক্তি ।
উরবগা পোত্থাফম্‌ থঙ্‌লোয়
ঐগী তুঙ্‌নফম্‌ লৈরোয় ।
অমম্বদা লৈরুগে
মীংতাঙবী শাথুনা লেন্‌রুগে ॥

য়েংজনিঙদে নবাগী লুংশি মীনোক্‌
লাইচুরক্‌নি মাগী চম্বা খুনোক
উরবদি হল্লকপা য়ারোই
থদোইদা পোত্থাফম্‌ থঙলোই ।
অপাম্বা লাইনা চঙক্‌নি
অহুনা হেম্না বাহন্‌গনি ।
অরাবদা সুঙাইবা পোক্‌পা
ঐনা ওন্থোক্লা তক্‌চরকপা ॥

তিংথং পাম্বী থম্বাল্‌নি থঙনা
করিগী হেক্কে থম্মুই ঐনা ?
থম্বাল্‌ তিংথংবু কৌবরা ?
অপাম্বা মানা মহেন্‌বরা ?
অনিসিবু কনানা হেম্বা ?

থম্মোই বাহং লম্‌হেম্বা ?
শীঙেল্‌ পুক্‌নিঙ খঙ্ফদে,
ব্রহ্মা মাক্ষ্মাউ খঙ্‌ঙম্‌দে ॥

ঙক্‌পদগী ঙক্‌পা, মীওই পুক্‌নিঙ
মহুদগী হেম্বা, মুক্তা ইনিঙ ।
কনানবু থিংগনি ৱাথল্‌ মাবু
কন্নিনা ওঙ্গনি মাগী শাজংপু ?
মুংশীং কুম্না কোয়পাই পাইবরা ?
নত্রনা, হিমালয় চীঙগুম্না লেঙদবরা ?
খঙদবতনা হেম্না মুঙাইবনি
পুক্‌নিঙ লমদাং খঙফদবনি ॥

পোবেপফম লৈতবা পুক্‌নিঙনি
মীকুপ্তা মালেম্‌ শীম্বনি ।
শীঙেল্‌ পুক্‌নিঙদি উংজানবরা ?
খোইমুগী ৱাথল্‌না লম্‌হেম্বরা ?
অমগা অমগা খঙনফদে
কনানা করি খম্বা হায়ঙম্‌দে ।
পুক্‌নিঙগী খোঙচং লোইদেদো
অত্নুনা য়েজনিঙদে শক্তম্‌দো ॥

-X-

নুঙাইবা থিবা

পাইতু খাইদো পীরক্উ,
　　　　ওরা শেঙ্গাউ হাপক্উ,
তাইবঙ কৈথেল্ কারুগে
　　　　নুঙাইবা মাবু লৈকগে।
নতম কনা মকুইরে
　　　　নুঙাইবা ফংলহুনা থারে।
থাহুনতা লৈফদে
　　　　পুন্সি অশুম্বা লেন্খদে॥

মংপান্ নাইজ্রবা কৈথেলনি
　　　　মীনা মশীং লাক্শম্লবনি,
ঙুং ঙুং ঙংবনি
　　　　মীয়াম খোঞ্জেল্ অমত্তনি।
মীওই কাঙলুপ্ অনিথক্নি
　　　　অলৈবগা অয়োন্বগনি,
পোথোক্তি মশীঙ মশীঙনি
　　　　অপাম্বে অপাম্বা শাক্নি॥

মীৎকম্ হোংবা থাদবনি
　　　　থম্মোই হুবগী মশক্নি।
অমদি হাইগে তাক্লহৌ
　　　　তাইবঙ কৈথেলবু থজলহৌ,
হৈনা শিংনা লৈজ্রবদি

অঙ্কা—কম্বা খম্রবদি,
নম্থাক্ লাংদা খুজনি
ভরা শেঘ্ মাঙজনি ।
অম্বুক য়াম্ত্রবা পোৎলকৃসিদা
নত্তোম্তা লাকইবা কৈথেলসিদা
মুঙাইবা মশক্ খঙ্ঙকবো
অহল্ নাক্তা কমক্খো ॥

অপাম্বা ফংবনা মুঙাইবরা ?
মহুতনা নঙগী লোইরবরা ?
অপাম্বি মপান্ নাইবরা ?
লোয়বা খম্বা লৈবরা ?
অরাবদি মপৈ মপৈনি
নিঙ্বা কায়বস্থু শঙ্গনি ।
পুনমক্সে মুঙাইবা মাবু থিবদনি,
অরাবদি, মুঙাইববু শক্খঙদবদনি ।

অঙক্পনি মীওইবৈ পুক্চেল্,
মানদেকো মাগী ঈচেল্
তাইবঙ্ কৈথেল্ ময়ায়দা
ময়াই কারবা মরকসিদা,
ঐনা কোয়েং য়েংঙিঙৈ
রাখল মৈনবু তাক্রিঙৈ,
মুংশাঘর অপী চেপ্সক্লি,
লাইরা শংগো হলক্লি ॥

পীক্লবা খাংপোকশঙগী মনাক্তা,
বাংলবা পামেল্ উশাথক্তা.
পোম্বি মমা—মচা চীলোক্কৈ,
ভরা চীঞ্জাক্পু ইন্ক্তনৈ ।
হরাউ হয়াউ লেনক্তৈ
নোংমগী চন্না পেন্ক্তৈ ॥

পীক্লবা মসা খপতুনা,
নুঙাইবা ইশৈ শক্তুনা
নোংমগী চিঞ্জাক্ তান্খি
ঐনা কল্লক্না য়েঙক্খি ।

-X-

ঐনা কদাইদা ?

নোংমা শক্তিবুগী অয়ুক্তা
নোংচুপ্‌ অতিয়াগী মথক্তা
থঙহৌদনা নিলকৃথি
অথাক্‌ অরাউ য়াওরকৃথি।
মালেম্‌ শিল্লবগে মতানি
মাইকৈ পুম্বা লাঙবনি।
তাইবঙ ঐখোয়দি মিপাইবৈ
শক্তম্‌ অদো কীজৈ॥

থম্মোই ঐগীদি তনিক্‌ তনিক্‌
চুরক্‌পদা নোং মরিক্‌ মরিক্‌
নোংলৈ মুংশীংপু য়াওরক্‌পরা ?
মাংহন্‌ তাক্‌হন্‌গে থোৱাঙবরা ?
মথে লাংবদি মালংনি
কোইপাই পাইহুনা পাউজেম্বনি।
কুম্‌গী নোং লাকএ পাউদম্‌থি
কংলবা পামেল্‌শিংবা তম্মক্‌থি॥

মালং মপাউ তাবদা
হিংঙনি হায়বৈ থল্লুবদা
বোইলাঙ লঙখি পুমেলক্তা
কুম্‌বু তমগ্রেদো খুদক্তা

লৈহাউ চেন্দ্রবা লৈমাইথক্তা
রাকচীংগী উলেন মরক্তা
রানা হিংজরম্বা পামেল্ শিংনা
মকা তম্ শি তপ্পা তপ্পা ॥

নোংবু চুরক্লে মাইকৈশিন্না
লৈহাউ চেন্নানি সোয়দনা
হানৌনা নেম্-নেম হৌরনি
মহৌশা লাইরেম্বীদি নোকচনি ॥
কুম্গী নোংনা তমক্পদা
অনৌবা য়াওনবু পুরক্পদা,
তাইবঙ থম্মোই নুঙোন্শি
মঙও মঙও থলক্শি ॥

হৈপাল্ লৈপাল্দি হুয়াইজৈ।
ঐনা পুন্সি মাবু থন্জৈ।
কংলবা থম্মোইদি তেথংতে
পুন্সি মাদি হেন্দ্রংতে
কুম্গী মশাঙ থিরুবদা
পুন্সিগী তাংকক্পু থল্লুবদা,
নোংমা নোংমগী হৌখিরম্মে
পুন্সি ময়েং তারম্মে ॥

অপাইবা নোংবু য়েংলগা,
মহৌশাগী খোদোবু থল্লুরগা,
রাহং কয়াক্ হংঙুবদা
তাইবঙ ঐনা কদাইদা ?
—X—

চুম্থাঙগী নম্থাক্

মঙলা'নলা থল্লুই তাইবঙ্দা
কাউথোউরে তাইবঙবু, রাখল্দা ।
লম দম্ মাদি মঙ্লানগুম্
চঙকুনরুরে হায়কম খঙঙবগুম্ ।
মচু তরেৎকী লৈতেংনা
চুম্থাঙ মানা থন্‌বনা ।।

করিগী থন্‌বনো ? হংজনিঙদে,
মহৌশাগী বারোল্বু ? তাজনিঙদে,
ঐনা পাম্জবদি চঙক্লরিবসিনি
ফজঞ্রবা চুমথাঙদো ঐগীনি ।
অসিতনা ঐগী লাইনিঙনি
ফজবতনা ঐগী রাখল্নি ॥

লৈজরুগে মঙগী লম্দম্দুদা
মাঙজখিসনু পুন্সি ফজবগীদা,
ফজবা মাবু থিবদা,
লম্দন্ কয়া-কয়া চৎপদা,
অঙাওবরা ? হায়না হঙক্খি
মঙঙ মওঙ উরকখি ।।

মীৎথকপীদি মচু তরেৎ
তিন্নরগনা মচেৎ মচেৎ,

কাইহৌরি ঐবু তত্তনা
অপাম্বগী শুমহৎলাং, শাথীবিনা,
মো'মোন্ ভৌবা মীনোক্লা
ফজগ্রবা শক্তম্ অহুনা ॥

তৎতনা কৌরি শুন্সিস্থ
উংজানহুনা লৈক্লি ঐহাকুস্থ ।
চেন্'শিন্জুই অঙাংগুম্ থুদ্রক্তা,
চুম্থাঙ শ'ম্বি মনাক্তা ।
কন্বিস্থ লৈরম্'দ মহুদা
কোয়েং য়েংঙুই মফম্চৃদা ॥

অসুম্না কো'য়চেন্ চেল্লিবৈ
ফজবগী খোঙগুন্ লীরিবৈ,
রখল্ মেনরু তাখিরম্'দ
পুন্সিগী তাংদাংবা লৈখিদে,
চুম্থাঙগী নমথাক্ লাংদা
পাম্জবা মাগী ঈরাংদা ॥

বাহং কয়াবু হঙকুখি
অপাম্ মুংশিবু থিরক্খি ।
অনিসিগী খেন্নবা কন্নিনো ?
কন্নিদা লৈন্নিবা মন্নিনো ?
অপাম্বা ভাক্তনা মুংশিবন্না ?
অনি অসিবু অমত্তরা ? ॥

অপাম্বা মাদি কোয়পাই পাই
পুক্ নিঙ্ মাদি ইচাই—চাই
পোকেপ্ ফম্ খঙ্দবগুম মতৌই
যজবা খুদিঙ পাম্জরুই, ।
ব্রাফম্ অসে অমজদা নত্তে,
অমা থক্তনা ওইথোক্তে ॥

মাদি ফজবতবু পাম্বনি
যজবা লোইপ্রগা মাঙ্জবনি ।
অতুনা থম্মোই মাঙ্জবনি
অসিনা ফজবগী লম্চংনি ।
মমুং মপান্ নাইবনি
ব্রাথল অনি লোঙ্বনি ॥

থোং—নৌরবী শিঙ্গারৈ
শীঙ্গেল লৈনম্ পাম্জলৈ
লৈরাং পুন্সি তেলকুপোই
থাঙ্ঙ্. থক্তা কেনপ্রবোই ।
তাইবঙ্ কানানা নিঙ্শিংবগে
মুংশিরুই হায়না তেংথাবগে ? ॥

অপাম্বা মাদি উতাংবৌনি
ফজবা উপাল্দা তাংজবিনি ।
নীঙ্শীবা পামেল্না তুপ্রগা
অপাম্বা মাবু কাউপ্রগা,

মুংশিবা মাস্ত মাঙখিনি
খুদকী ওইবা শাজংনি ॥

মুংশিবৈ শাজংতি তোঙাম্বনি
লৌনম্ লাংবু থাক্তবনি
অফা ফত্তা খিরুদে
ওসি হয়েং নাইদে ।
মুংশিবা মাদি মীংতাঙবিনি
অপাম্বস্তু অহুম্ শাগোন্নিনি ॥

আপাম্ মুংশি ব্বারোলদি
ওস্থোরুম্ব কুম্নিদকো মসিদি ।
মুংশিবগী হৌবকফম্দি কয়ানি,
ঐনা ঐতবু, হেন্না মুংশিবনি
মথংদা, ঈমব্রি অথোইবা
থঙনরুবনা লাকপা, মুংশিবা ॥

ঐগী ইচা মীংতাঙবা
নৈকাই মীয়ামগীনা শকপ্পীবা,
ফজদবা ওইবনা পাম্বীদবা
ঐনদি হেন্না মুংশিজবা
হায়ফম থঙদনা পাম্জবা
চুমথাঙগী নমথাক্ চঙদবা ॥

—X—

তন্দন্

তন্দন্, হো তন্দন্
পীশক্ পীক্পি তন্দন্
পীকথ্রবা নসা খপ্তুনা
কুফেৎ—কাফেৎ ঙান্দুনা
স্নক্রা মম্থ্রবা অহিঙসিদা
নারক শীঙলক্ মরক্সিদা
কনাবুনো নঙনা থীদিবা ? ॥

কাউঙন্দ্রবা কনাবু নিঙশিংবরা,
মখোয়বু নঙ্না থীবরা ?
নত্রগা কেকু-লোৎপী শানবরা ?
অঙান্বদা লোৎতুনা লৈকবরা ?
অমম্বদা ঙানবনা নহাক্কি ।
নহাক্তমক ঙৌজে ঐহাক্কি ॥

তাইবঙ্ ঐদি মীৎতাংবনি
লৈনা লৈনা উদবনি,
অমমবা ওইবনা খঙ্দবনি
নহাকী নপান্ তাংজবনি ।
পীশক পীক্পনি খন্দুনা
কৈদৌঙৈদস্থু ঙশিংলুবে ঐহাক্না ॥

তাইবঙ্ শেন্না-মপুদো
মীচঙ মীখায়দি নাইদো,

অনম্ অঙান্ নাইবনা
থরাই পান্বা থুদিঙ্না
অস্তুক য়ামগ্রবা পোৎশক্শিং
লৈন লৈন উদবশিং ॥

লৌশিং চাউবা তাইবঙ্দি
অহেন্ অথোয়বনি থজনদে,
পীকপ্রবা তন্দনবু থওইনদে
মপান্ তাংদুনি থলদে।
বনাস্তু নিংঙ তন্দে
মপান্ তাংদবা যাউদে ॥

অঙকপনিকো মপুবাগী লৈশেম্
মপান তাংনবগী থুৎশেম।
অমনা অমদা তাংজনা
তাংজদনা হিংবা ঙমদবা।
করম্বা লীচিঙ না পুন্বনো
নান্থোকপা য়াদবা থৌদে কনো ॥

তন্দন্ মাবু নোকরুই
পীশক পীক্পনি থল্লুই।
পীক্প্রবা মৈঙান পুত্তুনা
অমম্বা নারক্তা পাইত্তুনা
খোল্লাউ পীক্না লাউজরি
"ঐগী ইপান্ তাংজরি" ॥

-X-

নোংথক্লো

পাক্লিরে নোংমা নোংথক্লো
অরাংবা চীঙগী মথক্লো
হক্থেংনরুরে চীঙদোন্ মাবু
উরুরে নোংগী মপৈ মপৈবু ।
চীঙচেপ্লা লোৎতুনা কয়া
চীঙদোনবু কুপ্তনদু কয়া ।
চীঙগী মপান তাংজবরা ?
নত্রগা মালংদা শাইদোংজবরা ? ॥

হে শৈরাংবা, উরুদনা শৈশক্পা
বাখলনা খোঙৈ পাইথৎপা
তাইখো অমুক্লা, য়েংঙ্খিসি
মঙগী লমদমদা পাইরুখিসি ।
উম্না ফীরুক থন্দুনা
নোংদা মমাই লোৎতুনা
মহৌশা মাগী শক্ফমসে
ইকাই ফীরুক থুমজবসে ॥

হৈশিংবা তাইবঙ মীওইনা
কিরুবা লৈতে থওইনা ।
মুংশিং মাবু ফাজিন্দনা
পাইনবা শাদোং শেমদুনা

পাইরি বাংনা বাংনা
চেক্লাগী শায়োন লৌহুনা
চীঙয়া চীঙদোল নে"ংৎক্পা
অহাংবা অতিয়া মরক্তা ॥

য়েংঙ্খিসি লাউ হাননা
রাখলগী খোঁজে থমহুনা,
শাদোং অসিদা তোংহুনা
মীহুৎথোং মপান্দা কনহুনা।
অস্তুক নিংথীগনি থল্লুদে
মহৌশাগী শক্তম্ উরুদে।
ইকাইখিবী মহৌশা লাইরেম্বী
লৈচিন্দা মাইথোং লোংচরম্বি ॥

য়েংঙ্ য়েংঙ্ খেন্নবসে
রাখলগা থোদোক্কা অনিসে
চীঙ্শাং পরেং পরেং
পাংনরি খুদিংনা মতেং।
চীঙলোন কয়ানা কোইশিন্দুনা
ওয়েঙ্কা চেকশিন্না ঙাক্তুনা
লু-না চান্না থমজরি
লমদম অসিবু য়োকচরি ॥

চীঙ্চেপ্পা শাৎলিবী লৈরাংনা
কোয়ো মশেক্ লাংবনা

শন্দোকলি লৈনম্ থাপ্না
লম্‌হেন্‌বা মালংগী থোরাংনা ।
শীঙেল মপাউবু য়োরকখি
লেনমুংগী খোইমুদা পাউজেলকখি
চীঙয়াসে পুমনিন্ নিন্‌থরে
খোইম্‌ নঙ্‌ থংলরে ।

তাইবং নিয়েংগীদি বাংমদা
থুংশেম্ লাংগীগু মাপান্দা
চীকুপ্রবা চীঙজাউ নাউপোম্‌
মহৌশা শকহেন্নি নাইতোম
মনিং-মখা তমজবদি লমদম
তাইবঙ ঐখোয়গীদি বকক্ফম
বরিবু হাইনা শিংথানি
ৱাখলদি লাম্বা ফঙদবনি ।।

লোনথোক্কবা নোংদা পাউজেল্লকপা
মুংশি মপাউদি তেংথারকপা
কালিদাস নঙগি মেঘদূতন
পাইবকখিবরা লমদমসিবু য়োনা ?
পাইরকখো লাউ লম্‌দম্ অসিদা
চীঙলান মাপন্না কোইশিনবসিদা
য়েংজরোলাউ কুম্মৈ অসি
চীঙ্‌দোম্নগী লোক্‌তাক্ শকহেন্‌বিসি ।।

চীংগী লৈরাং কনানা
তম্ব য়েংজরুই মুংশিনা

চীংথাংগী খোইমু কয়ানম্ব
পামজরুই ওহোক্ল' খোইদানম্ব ।
য়েংঙু চীঙ-তম্ অনিমকসে
কাইনত্রিবা মহৌশাগী মরিসে ।
কনানা কনানো থংদবনি
অমনা অমবু পামজবনি ॥

উরুদে হংগুদে নহানুমথৈ
পাইথংলুবনা লৈজনা ঙমথৈ
পীক্লা উকিবা লৈথাসে
নোংথক্লুদগী য়ুংবদা মথাসে ।
থম্লুবা লৈতে থুদকতুনা
পাইথরকনি মিকুপ অমদা
পাইক্লবনা লমজেন্দি য়াংহন্লি
খোংদাক্লদবনা লনথুংদবদি ওইহল্লি ॥

-X-

পোশাকম্ -

নোংমা শান্নরুই ইমান্নবশিংগা
চেন্নকৃখি য়ুময়োনা খংনরমলগা ।
ল্লাকংলুই ইমাদা শাউনা
থেমজনবিখি ইমানা মুংশিনা ।
অমুকন্থু অতুমডায় চেন্নকখি
ইমাবু হন্না খিরকখি ।
ইনা লৈখিদ কাউরুরে
ইপাদা অমুক তাইনকরে ।।

ইপানা কন্না হুণ্ডকুই
কনানা কন্নি তৌরকই ।
ইমানবগা খংনফদে তাকলকই
ঐগী শাউনিংবন্থু ফরকই ।
নোংমখি ইপান্থু লৈরমদরে
কনামতন্থু য়েংবদা ফংডুদরে
কনাদা তাইনরুনি খংডুদে
ঐগী অরাবন্থু লোইদে ।।

-X-

মখোইগী থোঙাঙ্দো

য়াঙশঙ নংগী শঙদি
ঐবু মচু শঙবনি ।
নংগী শঙনা চাকুপ্দি
ঐগী থম্মোই চাকপনি ।
“হরিবোল” খোল্লাঙ ময়ামদা
ঐবুদি শাথিনা লাংতক্লুহনবনি
নাকা থেংঙমবদো ঐঙোম্বা
মখোইনা ঐবুদি পংথহল্লবনি ॥

লম্বী লমজাও থুংনা
মখে লাংথিবদো মখোইনা
ঐবু য়েংলগা মখোইনা
নোংকুথিবনি থাম্বমথৈ কয়েম্না ।
পংজরবা ঐগী নাপদা
কল্লা সিকথিবনি মুংশিনা
“ওম্ভোক্রস্থ মেম্বাদে কৈনোদা
হাকমনস্থ শঙমল্লি” হাইনা ॥

অস্থুম্ অস্থুম্ খোংলোইথিহনা
লাইচল্লা চেনবগুম চেনথিবনি ।
অমনা হাইরকথি শাঙরপ্পা
“ও শঙবা নত্তে শাংদবনি

নৌরিতৈদা লাকচহৌ কলপা
কুইথঁরকলগা শাখিবা জাংনি "।
মেন্দারকপদা ঐহাক্তি, থাপ্ লপা
মখোহগী খোঙাম্বা লেপম্বনি ॥

নে'ংমদি চংলুই খোরাংনা
চুনত্রিং লাকখিবা খোনানা
হাইফম খংদবা মরম্বা
ইকাই-ইকি রাংমা লামা।
কলিগিনো খঙদে শাউনিংখি
ঙাইখিবনি খোয়দৌ শাউগংনা
মরম খঙদে—উংজানখি
হাইসিরা হাইরোয়সিবা থন্‌বনা ॥

হৃবাম্বগুম ইথক্ থক্লা ঙাইরকখি
মীহুন-শাক্ কল্লকখি শাখিনা।
খাঙম্খিদে—খুদক অদো বাজখি
তঙ্‌-তাহমখিদে খুদক্কো, ঙাইঙ্‌মদবনা
চহি-চাশিং-কয়া মীকুপ্ অমনা
"লাকখিসমু খঙগনি' বাশকুখি
ঙনিংবৈ চৈনানা কনখিবনা।
কোইনংতুনা চীগোংলৈ, থাঙকুখি ॥

শেম-শারকখি রাকম্ কয়ামা
অহু-অদা সোম্বদনলকী মহাইগে।